অসাইমখৈ বাবী তাবশ্বা সুশিলানা

– ইবুংঙো, নং তামোচৌনা কৈবুলদা লমওকসু যাম্না লৈ হাযনে।

অচুম্বনি ইতৈমা থাঙ্গৈশেংবদি কেবুল লমজাউসি শঙাইগীদমক্তা থাকলবা লমনি অদুবু মফমসিদা থবশা অদুগা লমওকসু পুম্না লৈমিরে।

বোমীনা

– থাবশা হাযবদি কবিনো বাবা?

– শঙাইদগী হন্না পাকপা শক্তি মখল অমনি

সুশিলানা

-- লমওকসিবু যাম্না শাথি হাযনবদাই? শঙাই থবশাদি হাংতোকপিদ্রা?

সাগবনা নোকলগা

-- ইতৈমসি শাথিবা লমওক্তা খেংনকনা কবিনো?

গোপালনা

— ঙবাং ঐনসু লমওক লৈ হেক হাযজিল্লুবে। মদুদগী কৈবুল লমজাও চৎপা তোকলসি হা অদু, অদা কবিনো, অমুকতোইনা লোইববনি।

— লমওকপু কবিগী পঙাক কিন্দগে? মাঙান্দা তাকাযবা তৌবিদ্রগা লোইবে। মবোল থোক্তবসু জীব খুদিংমক শিবা কি অদুনা মীওইবগী মনাঙ্তা থক নকশিননৌংদে যাবিবমখৈ থাপতোকনবা হোৎনৈ। মখোযদা শাউনিংবা থবক্তা অততাই ওবক্লবা মতমদদি শিবা কিবক্তে। মহুম-মকোন থুগাইবীকবদগী শাউবকপনা পীকথ্রব ককচেং অমনাফাওবা তাইবংমী হাৎকনি হাযনা চীকলিবনি।

মযাম পুন্না নোকমিন্নে।

— লমলক্তা লৈমিন্নবা তোঙান-তোঙানবা শাশিংগী মবক্তা নুংশিনবক্তবা, হাৎতোকনবকপগী মবমদি লৈফম অমসুং চিঞ্জাক মুন্নবনি। কৈবুলদা লৈবা শঙাই

মশিং খবর্তান, মখোয়গী লৈফমদি পাকচাউই, শাজিকসু মবাং কায। ফিভমসিদা শঙাই খরশা কাবিমত্তা মূরুবা লেতে। শঙাই খবশানা নুপাগী শক্তম ওইবগা লমওক্লা মবুং-মৌপা শকনা লৈমিন্নে।

শ্যামোনা

— কাকা কৈবুল লমজাউদা উচেক্তি লেপ্রা?

— ওহ্লোক্লা যাম্না লৈহ্রপোৎনি। মহৌশাদি লোওাক পাৎশি উচেক খ্বাইদগী মবাঙকায়না ফংবা মফম ওইবমানিবনি। চহী খুদিংগী নিংথমথা চঙলকপদা ঙানু কাংঙা, ঙানু পেবেল, পেদেক, ঙানু কোকঙাংবী, ঙানু থংগোঙ্,থংগোংমান, থেম্বাদংনম, ইবম্বা, শাইবোল থবোইচাবীনাচিংবা উচেক শংগু-শংগু পাইবকলম্মী। অদুগা উগোক উবেম্বা, চেকলাওবী উধুম উবা, চোংখু, উমু মকু, ঙাবাকপীনচিংবসু মফমসিদা লেঙদনা লৈ। উচেকশি শি হৌজিক্তি অযাম্বনা মশী গাম্না হনথখ্রে অঙাঙবা মাঙখিদৌববা মখল ওইবকপসু ওইবকলে ঙানু কোকঙাংবী হাযবা মখলসিদি [illegible] খাংওকফাও মৎখ্রে ইং ১৯৪০ অদুবাইদগী মনিপুরদা [illegible] পাইববপা উনদ্রে [illegible] লাইদ উবা [illegible] উচেকশিং [illegible] মশক্তি উহৌদ্রে। [illegible] ওহ্লোক্লা খোবা [illegible]।

[illegible] শ্যামোনা [illegible] মযামনা পাঙথুম খন্নবিডেদা মতম [illegible] [illegible]

– ইচাশি [illegible]। চা থব [illegible] [illegible]।

[illegible] কেবুল লমজাউবা [illegible]

[illegible]

– [illegible]

– [illegible] ওহ্লোক্লা [illegible]।

[illegible] হাযদোকখিবা [illegible]। গোপাল সুশীল [illegible] [illegible]

— চা থকশি [illegible] চাশি [illegible] শ্যামোদ লাঙলবিবদু যাওদে। গোমিনা শ্যামোদা ওনশিন্দুনা

— তামো, শঙাই হান্না উবা তান্নশিবা?

— ঐ হান্না উবিগনে।

মণ্ডাশুবা

শঙাই খুংগঙ

চা থকপা লোইনবে। রোমীনা

-- কাকা বাবী মখা ।

-- বাবীবুদি লীবগে। নবানি শঙাই হায় উবা ভাংখিবদুদি কনানা হাল্লবা?
ঐদি অসাই উখিবদুগী হেন্না উদ্রি।

-- শ্যামোদি?

- কৈবুলদা লৈরিবসি শঙাই লানা অমগা অমোম অমগনা লোইবমালে।

বোমীগী লাওতকনবা বাহৈসি ভাবগা সাগবনা

-- নঙেদা। মফমসিদা চৌজিক শঙাই চামাবোমদি লৈদ্রম্হৌ। পন্নদি
অদুগা উদ্রিশিদি?

— নোংজুখা ওইবগুনা নাপীশিং মপুং ফাবকপদগী শঙাইগী মরেপ হেন্না বাংখ্রে, অদুনা নাবক্তা লৈখিদুনা উদ্রিবনি। মাইবেল লমতা খাদদি। পৌ নাংশিনখিদুনা শঙাই যেংবা যাম্না নুংঙাই। চৌজিক শঙাই উদবগী মখম অমসু লৈদি

— মদুনা করিনে।

- অয়ুক খেঙ্‌জিল্লক্তুনা নংশা কনখৎলকপা অসিসু মকম অমনি। শঙাইদ অঙনবা অয়ুক অদুগা নুমিদাংবাইনমদা শত্রিক চাবা, শান্নবা পাম্মি মাংখায়দি নুংশাদা হৈনদে অদুনা নুংখিলগী অশাবা মতমদা নাবক্তা কুন্দুনা লৈ। করিগুম্বদা অবি অখঙ থেংনববদি মখোয়না "মীপাই-খোংজেল-লমজেল" হৌদ্রি।

শ্যামোনা

— মীপায-খোংজেল-লমজেল। মদুবু করিনে কাকা?

— শঙাইনা যাম্না কিনা. মীপাইনা, মথবাই হিংনবা ফুমদি মথক্তা চাল্লা হায়বনি।

— অস। ওস্তোক্না বাবমনি। অসিগুম্বা মতমদা ফুমদিদা পুৎখবকাদি যাওদা?

— খোংজেলসি চেল্লিঙৈদা মখোঙ পুৎথখিদুনা অৱাবা নংবসু কোঙগাইনি। অদুগনে রোমী, অসুক ৱানা চেল্লিঙৈদা মপীনা মচাবু শেন্নে, লাবনা অমোমবু ঙাইনরিবনি।

— ও, ও। অদুনরা শঙাইনা মপাং ঙাই-ঙাইনা চেল্লি হায়নরিবা?

— মানি।

তুমিন্না বাবী তারম্বা সুশিলানা ওয়্যোক্না নুংশিবেদা। মীওইবনা শঙাই ওনখি হায়বদু থাজরকলে।

— অওইবনি ইতৈমা। শঙাই মপীনা মচাবু য়াম্না লুনা-চান্না তৌই। মচানা ফুমদি মথক্তা ফজনা চৎপা হৈত্রিফাওবা নাপী মরক্তা লোত্তুনা থম্মী অদুগা মহাক্না অনকপদা শজিক চাদুনা লৈ। কবিওম্বা অকি-অখঙদগী খরা লাপথোক্না চৎখোকল্লরবসু মচা লৈহৌবা মফমদ তন্না হল্লক্কুনা থিরৈ। মচানা ফুমদা মখোঙ পুৎথত্রবদি মপীনা অদুমক শংদুনা লৈ।

সুশিলানা

- অনাবা তারবা মাদু থংখংলবদি ঙমদনা মমাদু ওয়্যোকনা বাজবমগনি।

- অদুগা ইতৈমা শঙাই লোবস অমোম নত্রগা পুন্না লেমিন্নরম্বা শল্লুপ শঙ্গু অদুগীদমক য়াম্না বাঙৈ। মখোয়গী ড্রাক শেনবা ওইনা মহাক্না মকোক থাংগৎলগা লেপতুনা লৈ।

শ্যামোনা ফাগী ওইনা

— কেম্পকী সন্ত্রী তাবা সিফাইদৌনা?

ময়াম নোকমিন্নে।

—তশেংনা সন্ত্রীনি। মফমদুদা খুদোংথীবা য়াবা শউম ফংলবদি মহাক্না ফুমদিদা মখোঙনা "তক, তক" থিন্দুনা পাউ তাকই। খোঞ্জেলসি তাবগা অতৈ শাসিংসু মঙক থাংগৎতুনা যেংনরকই।

রোমীনা — অস!

সাগরনা বাবী মখা লৌথরকই

— শঙাইনা মীওইবগী নিল-খোংবা খোঞ্জেলগা শা-উচেকশিংনা থোকহনবা শউমগা খেন্নবসু লায়না খঙই। অদুগা কৈবুল লমজাউগী মনুংদা মখোয়না চৎথোক-চৎশিন্দা খুদোংথিবা থোকলোইদবা লমগী ঙমখৈসু কন্দুনা থম্মী। মসিবু শঙাইগী "হোম রেনজ" কৌই। ইচাশিংনা তাবা নুংঙাইনবা "শঙাই খুংগঙ" হায়রগে। থাংব্রেন-য়াংবীদগী অৱাংদা ঐখোয়না লৈরিবা পাবোৎচীং অদুগা খারোমদনা তোয়াচীং ফাওবসি শঙাইনা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা নুংঙাইবা মফমনি। নোংপোলোমদা শঙাই খুংগঙগী লমখৈদি খোরদাক তুরেল মরিন্দা লোইবে।

— করিগীনো মখোয়না তুরেল লানদ্রিবদি কাকা?

— তুরেলসিগী বাংমদা লৈবা ফুমদি অয়াম্বনা অপাবনি। মথক্তা চৎপদা পুৎথবা য়াই।

— অদুগা শঙাইনা ঈশিংদা লৈবা, ঈরোইবদি হৈত্রা?

— ঈশিংদা পুরা লৈবদি হৈনদে অদুবু মপুক য়৺ৗনা কুমথবগা ঈশিং মনুংদা হৌবা চবাংগুম্বা নাপীদি চায়। অশাবা কালেন নুংশাদা ঈশিংদা কুমথবগা লুপ্পী, ইরোইগুম্না থবো-মালোকাসু ওল্লি। মসি শল্লুপ পুবা লাবনা তোয়না তৌই।

— শল্লুপ পুবা .. ...?

রোমীদি বাহৈশিগী অর্থ খঙদবগুম তৌই । শ্যামোনা

— মসি অঙাংশিমা পঙখ্রে। শংগু অমদা খ্বাইদগী কনবা, মশা-মঙ ফবা লাবা হায়বনি।

— ও, ও!

-- শঙাই খুংগঙগী মনুংদা শল্লুপ পুবা লাবা অমনা কোনবা লমসু লৈ। মসিবুনা "শঙাই ইঙ্খোল" কৌরসি।

— শঙাই খুংগঙ, শঙাই ইঙ্খোল। ভাব তারে কাকা।

---লাবনা মশাগী ইঙ্খোলগী অকোয়বদা চৎতুনা অমাঙ-অশোয় তৌশিল্লি, অবাংবা নাপীদা বাইশিল্লি, মতু তকশিল্লি।

--- হাক্কচবা হোৎলিবরা?

— নত্তে, পান্দম অমগী তৌগে হায়না তৌরিবনি। মীওইবনা শম্বল, চেকপল লাংখোংনা মশাগী ইঙ্খোল খাঙ্জিনবগী মওংনি।

-- করম্না?

- মতমসিদা ঙমাং নত্রগা হকচাংগী মনম, মহীনা নাপীদা পক্হৈই। মনমদু অতোপ্পা লাবা অমনা মনলুবগা "মফমসিদ অকনবা লাবা অমা লৈরে" হঙনৈ। শঙাই লাবা অমনা অতোপ্পা লাবা অমগী ইঙ্খোলদা থক চঙলুদে

— চঙলুববদি ....?

--- মখোয় অনী অঙম্বা খঙদোকনবা কন্না ৱাইনৈ।

শ্যামোনা

-- য়াম্না শাথিবীজাৎনি।

— উম, শাথিখ্রপোৎনি। অকনবা লাবা অনীনা বাইনবসি চাবোকথাদনা অমুক শাথিবা হেল্লি। রোমী, শ্যামো, মথঙগী শঙাই চাবোকথা, ফাইবেল লমতাদা লাকউ, শল্লুপ পুবা লাবগী কুম্মৈ য়েংমিন্নসি।

— অং।

মপাদা ওনশিন্দুনা

— বাবা, কাকানা হায়রিশি লাকশিকো।

মপা-মমাগী নোকমী, নোকমীবা মায়থোংনা মচা রোমীগা অপাম্বা থুংহনগনি ফোঙদোকলকখি।

— শঙাই ইস্কোলদা নত্রগা অমোম হাকন্নরিবা লাবগী মনাক্তা অতোপ্পা লাবা অমা চঙলকপা হায়বসি মীওইবগী ৱাহৈদা লানশিংনরকপগুম্বনি। মখোয় অনী ৱাইনরগা ইস্কোল নত্রগা অমোমদুগী অশেংবা মপু খঙদোকনসি হায়বনি। অদুনা হান্না লৈরম্বা লাবদুনা, শ্বব ফি-ফা, ফি-ফা কামদুনা শাউনা চঙশিল্লকই। ফিভমশিদা কিদুনা চেনখ্রবদি চেনখ্রে নত্রগদি মখোয় অনী অঙম্বা খঙদোকনবা কন্না ৱাইনৈ। ৱাইনবদা চেল্লবা লাবা অমবু অঙমবদুনা কোইতান তান্নে। তান্নবা ফংলবদি মচীনা ৱাইদুনা হাৎতোকপা ফাওবা য়াওই।

সুশিলানা

— শঙাইগী শাজৎ-লীচৎশি মীওইবগা মান্নদ্রা?

— খেননবা হাযববু, মীওইবনা পুন্সি চুপ্পা মশা-মশাগী ইস্কোলদা ইমুং-মনুং লিংদুনা লেমিন্নে। শঙাইগীনা ইস্কোলদা লৈমিন্নরিবা পা-পী অনীগী লিপূনসি চাবোকখা মতমগীদনি। য়ূম্বান্নবা হেক লোইবগা লাবসু চৎখিবা য়াই, মফমদুদা লেঙদনা লৈলগসু অতোপ্পা লাবা অমা চঙলকপদা শাউনদে। পীকলিডৈদা মপীনা মচাগী লুনা চান্না তৌরগসু খর চাউরকপদগীদি অসুম থাপতোকনরকই। অদুগা কৈবুল লমজাউশিদা সঙাইনা খবশা অমসুং লমওক্কদি নুংশিননা লৈমিন্নে।

তরুকশুবা

মমী শামলবা শঙাই

অয়ুক্কী পুং তরা খব হেল্লে। সাগবনা

— ইচাশিং বানবমলনি। অদুবু চাক ঙাইবা ওইনা কবিগুম্বা খবা খন্নখিশি। শ্যামো কবি খন্ননিংই? অমতা হৌদোবকউদনা।

-- কাকা, মনিপুরগী লম অযাম্বা চীংনি, উমং-বামংদা শজিক মরাং কায়না হৌদুনা লমলক্কী শা-উচেকশিংনা লৈবদা নুংঙাইবা মফমনি হায। অদুগুম্বা মফম কয়া থাদোকলমলগা শঙাইনা লোক্তাক খোংবানগী ফুমদি হাওদিদা লৈবমলিবা কবিগীনো?

— ইচাগী বাহংশি শঙাইগী পুন্সিগী ইতিহাস করিনো হাযর্বনি। হৌজিক্কি মতমদা শঙাইনা কৈবুল লমজাউ নত্তনা অতৈ মফমদা লৈত্রে হায়বসিদি যেৎননিঙাই লৈত্রে। অদুবু মমাংঙৈদা শঙাইনা মনিপুবগী চীং অমদি তমপাক্কী মফম অযাম্বদা লৈবম্মী হায়বগী ৱারী-লিখূন, খুদম-চাতম কয়ামরুম ফংই।

— মতমদুদা শঙাই য়েংবা নুংঙাইবমগনি। রোমীগী মখা তাবকপা ৱাহৈনি।

— ইচা রোমীগীসি, হৌজিক্তি শঙাই উনবা হোৎনবদা য়াম্না ৱানবে, নত্রা? অৱামচা লেমনা মাঙদে হায়নৈ। নোং-চিং চুরক্তুবদি নুমিদাংৱাইদা শঙাই শোযদনা উবা ফংগনি।

সুশিলানা

— খঙদ্রে ইবুংঙো। ইবুংঙোনা অসুক ৱাবীবগী লমনবু করিনা শিংদনো?

— ইতৈমা ঐগীদি তৌফম থোকপনি।

সাগরনা ৱারী অমুক হৌরকই

— শঙাইনা পামজবা লৈফমদি চীংমক ওইরবসু কয়া ৱাংদবা, লৈতেম মান্নবা

থেন লৈবা, নাবক-মোংশোং অদুগা ঈশিংসু মবাঙ কাযবা মফমদনি। শঙাইগী নকনবা ধাব অনীথকসু মনিপুবগী বাংমদা লৈবি। মখোযসু যাম্না শুকপা উমং, অঙম্বা চীংমাযদা লৈবা পামদে।

শ্যামোনা

— মখোয অনীদুদি কদায কদযদা লৈবি কাকা?

— অমনা ঐখোযগা যুমলোননবা লৈবাক ম্যানমাব (ব্রমা) দা লৈ। মফমদুগী লোন্দা শা অসিবু "থা মেঙ" কৌই। অচৌবা সদি হাযবনি। অতোপ্পা অমদুনা থাইলেন্দ, লাও, কমবোদিযাদা ফংই। থাইলেন্দা মসিবু "লা-মাঙ" কৌই। মসিসু অচৌবা অবাংবা হাযবনি মখোয অনীসু শঙাইগুম্না ঙাক-শেন্দুনা থমলবা ঙাও নি।

সুশিলানা নুংঙাইতনা শোল্লকই

- ওস্থোক্লা মবাযবক থীববা হাযদুনি।

শঙাই অদুগা মহাক্কী লমদম তাম্না লৈখ্রবা শাগৈ-নাতে পুম্নমক তশেংনা মবাযবক থীববা মতমগী। খোঙলে নদুনা মীওইবগী মীওৎ মানৈদা হিংবগী মমী শাম্নবা শা ঙাক্তা ওইববনি। মখোযব কযামকুইনা পুন্সিদুনা ঐখোযনা উবা ফংখিগদবো?

— অদুগা ইবুংঙো, থাযন্দি শঙাইসি ঐখোয অদুবাইদসু লৈবমমালেদা।

— লৈবম্মী হাযনৈ ইতৈমো। শঙাইখেল, শঙাইব্রো শঙাই তানীনচিংবা লমসি মফমদুদা শঙাই লৈবম্বা নত্রগা ফাখিবা খোঁদোক বাখোকশিংগা, মনি লেননা থোনখিবনি হাযনৈ। হৌজিক্তি বাবী ওইনা তানবে। ঐখোযনা লমদমশিংগী লোক সাহি তগা শাগোম্নবকপা শঙাই কৌবা শা অমা লে হাযবা খঙনবকপা মতমদদি মসিনা কৈবুল লমজাউদা লৈবমলে

শ্যামোনা নন্দা ওনশিন্দুনা হাযববই

- নংঙ বোমী অদুক মবাঙ কাযবম্বা শঙাইবু পীকখ্রবা কৈবুলগী ফুম মথাঙ হোইজিন্দনা থমদিনা ঈশ্নবগী খোঁবাংশি ঙগ্রা?

ইচাশা মদু পুম্নমক ঈশ্নবগী খোঁবাং ঙাও। নত্তে। কনামচাউবা মীওইবগী মীনুংশি হৈত্রো নাংনা দা শঙাইনা থাঙবা ঙমদদুনা কৈবুল লমজাউদা অবোযবা চঙ ডফম। নীথবনি।

— মীওইবনা হোইজিনখ্রিবা? বোমীনা অঙকপা ফোঙদোকই।

— ইবেম্মা, মদুমব হাযবা যাই। থাযনা মোইবাং কংলৈবোলদা কদে, থাংজহনবনা মশানৌ তানু লাইজিংলেম্বীদা পুদোল তম্নবা গভ লৈববী শঙাই অমোম অমা ফাবকখি অদুবু পীখিদে। শা ফাকবগা হল্লকপদা তোনুনা নিংথৌগী কোনুংদা ওঙখিবম্বদগী মহাক্না ফাবকপা শঙাইদু কৈবুল লমজাউদা থাদোকখি, মদুগী মচা-

মশুনা ঙসি ফাওবা মফমসিদা হিংদুনা লৈবিবনি। মসিনা ব্রাবীনি। পুকৈ-লনগৈ চোল্লবা মোইবাং সাহিত্যগী লৈচলনি। অদুগা বিগ্যানগী ওইবা মীৎযেংনা অমনি।

-- মদুনমুক কমদৌবা?

— লমদমশিদা মীশিং হেনগৎলকপগা লোযননা লমগী পাক-চাউবা দবকাব ওইবসু হেনগৎলকখি। চাংয়া তমযা, তমপাক্কী মফম কযা কোকথোক্তুনা অপাম্বা মওংদা শিজিন্নবকখি। মসিগী মথক্তা লৈবাক্কী অঙম-অথৌ, চাংমী কযানা শঙাইবু খ্বাইদগী পামনবা শীকাবগী শা ওইবকই। তমথীববা খুজিল থৌবাং কযাশিংনা শঙাইগী লেফম অসুম মসুম পাকশিল্লক্তুনা কৈবুল লমজাউদা লৈখিবনি।

— মীওইবগী বাখল থেনখ্রবজাৎনি। শ্যামোনা পেন্দবা ফোঙদোকই।

— অদুান শ্যামো। জীব ধাব লিশিং-লাক্ষ কযা লৈবিবা মালেমসিদা "ঐখোযনা মশি[illegible]" [illegible]কচবিবা মীওইবনা ঙহাক্কী অপাম্বা অদুতমক মীতানৈ, তুংগী বাখল ইহৎ [illegible]। ইচাশা নখোযসু খল্লু, পাকচাউববা মালেমসিদা মীওইবনা জীব [illegible]তেনী ম[illegible] [illegible]দনা মতোমতা হিংবা ওইথোক্কদ্রা?

[illegible] ছুমলোই

অশেঙবা [illegible] পাল্লিবা জীবসিংগা মবক্তা ম[illegible] ইতেং লৌনদুনা পুন্না হিংমিন্নবা [illegible] ম[illegible]শাণী নিযমনি। অশংবা উপাল বাপাল [illegible]ল-কাঙ শা উচেকশিংগী ম[illegible]ওদ্রবদা ঐখোযনা কযা কুইনা হিংখান।

[illegible]বামীনা

- ঐখো[illegible] [illegible] হোনবদা শিজিন্নবিবা [illegible]অশ[illegible] পাম্বীনা পীগ[illegible]পনিবে।

- অশেঙবনি

অদুগা [illegible]বশি না [illegible] হোনদোনব[illegible] যাওবকপা হুচেনবা কাববোন [illegible]ওক্লাইদসু পা[illegible]সি না লৌশিল্লননিকো?

[illegible]

- [illegible]শাংবা পাম্বাশিং লেত্রবদি ?

[illegible] গ্যাস কযা [illegible]শিনখিদুনা ঐখোযনা অশেঙবা নুংশিং হংলবোই।

অদুদি মীওইনা ঐখোযদি কনমতৌনা?

যক[illegible]নবা লা[illegible]গোই চনশিল্লকবা শঙাইনা কৈবুল লমজাউদা হি বগী মমী শামলবা শা অমা ওইনা লেবগুম, [illegible]ভম শোকচিল্লক্লবা মালেমগী ঈশিং-নুংশিং মবক্তা মীওইবসু হি বগী মবেক-মহাও যাওদ্রবা জীব অমা ওইবকপা তাঁদনি

[illegible]শনানা থবায নুংঙাইতনা হাযবকই

— মীওইবনা ঙস্মী হায়দুনা অপীকপা জীবশিংদা উৎখিবা নুংশিহৈতবা শাজং কয়াদুগী ঈশ্বরনা পীরকপা চৈরাক ওইতারে ইবুংঙো?

সাগরনা শ্বর চাউনা হোম্লগা

— ইতৈমা, ঈশ্বরদি মতমচুপ্পদা অচুম্বা পাম্মী। মঙোন্দা ওইদবা অমতা য়াদে। ঐখোয়না তৌরুবা ফত্তবা থবক্কী মহয় মহাক্না ফত্তবা ফল ওইনা হন্দোরকই। মীওইবনা মশানা থাকচবা লাংদা মশা মতোমদা থুজগদৌরিবনি।

তরেৎশুবা

অনৌবা আশাগী মৈরী

মাঙলমচৎতা মীওইবনা শঙাইবু নুংশি-হৈতনা অমদি তাথি-তাওইনা তৌবিখিবনা ঙসিদি শজি মখলসিনা তাঙলবা যাওরৌ ওইদুনা ঐখোয়গী ইরক্তা হিংলরে। গমলাদা থারিবী নাতোনচাবীগী লৈখোক্তা অপাম্বা লৈচুগী গুলাপ শাৎহনবগুম, ঈশিংনা পল্লোন কোয়শিল্লবা কৈবুলগী ফুমথক্তা অরোইবা চঙজফম লৌহন্না হিংলিবা শঙাইগী পুন্সি য়াওলদা খুৎশেমগী ইথিল'মুক চঙশিল্লক্লবদা লাইবকথীরবী মহাক্লা লীৎকদবা কৈদনো?

কনানা হায়নৈ

— "শঙাইনা কৈবুলদা লৈখিবদি কদেং মাগী খুৎথানি।" কনা'মনমুক হায় "যেলহৌঙেদগী শঙাইনা লমদমসিদা পামজনা লৈরকই।" "নতে, নতে" মীওই খবগী অমুক খোল্লাউনি। "মফমসি শঙাইগী পামজবা লৈফম খক ওইরক্তে। তাইবং মীওইবগী মীওৎ-মীনৈ খাঙনবা শঙাইনা কৈবুলদা তঙাইফদনা লৈখিবনি। মৈরাম্বীনা মৈবিদা পাইশিন-পাইশিন্দুনা পুন্সি লোমখিবগুম মতম অমদা মনিপুরগী চীংখোং-চীংয়া শিনথুংনা শান্নরম্বা শঙাইনা শাদানবগী মচীন থৌরবা থাঙদোন-তাদোন্দগী নাম্থোকপা ঙমখিদে। ঙসি ঐখোয়না উরিবা খরসিদি কৈবুলগী অশোংবা নারক্তা লোৎতুনা মখোয়গী মীৎয়েংদগী নাম্থোকহৌবা লেমখাকতুনি।"

অমবু ওইরবসু, অদাবু ওইরবসু, কৈবুলদা শঙাই খর হিংহৌবা হায়বশি মীরোলশিগীদি খ্বাইদগী লাইবক ফরবনি নত্ত্রগবু ঙসি ঐখোয়না শঙাইগী নিংথিবা শক্তম উরমখিগদ্রা?

সাগরনা ব্বারী৺মখা লীথরকই

— লোইলম শাসন্দা হালেঙদবা বৃতিশনা মফমসিগী লৈঙাক-শাসন্দা খুৎ

থি জিল্লখি। মনিপুরদা রেস্তত দববার লেবে। হালেঙবা লৈতনা হাৎতোকপিখিবনা অচৌবা মবম ওইবক্তুনা মাঙশিল্লক্রবা লমদমসিগী শা-উচেক কয়াগী ফিভম যেংশিন্নবা চুরাচান্দ মহারাজনা দববারদা হৌদোকখি। ইং ১৯১৬ কি জুলাই থাবিক মঙাদা শঙাই অদুগা অমৈ লমলক্কী শাশিংবু ভাকপী-শেনবীনবা নিয়ম শেমখি। ইং ১৯৩১ দা জে সি, হিগিন্না নিয়মসি খরমুক শেমদোক শেমজিন তৌবগা আইন ওইনা চৎনখি। মসিবু হিগিনগী 'গেম রুলস ওফ মনিপুর' হায়না খঙনে।

গেম রুল হায়বসিবু শান্ন-খোৎনবগী নত্রা কাকা?

রোমাগী অচম্বা বাহংদা সাগবদু নোকখোবক্কে।

– খায়নদি নিংথৌ, অচৌ-অশাংশিংনা শান্নবগী মওংদা শাদানবা। অনবম্বা। অসিগুম্বা শাদানবগা মরি লৈননা শেম্বা নিয়মনি।

আইনশিগী পান্দমদি কবি-কবিনো?

– মবমচাদনা লমলক্কী শা উচেক থাখি-তাওইনা তৌবা হাৎপা থিংবা। হাৎপা তারবসু অককন্নবা মতমদা অদুগা মশিংসু খঙহৌবা শা উচেক্কী নাশা তিন্নবা মতম অমনা পুবিৎ অদুগা জীবশিংনা কাঙদোং ফাদ্রিঙদা হাৎনসু ... রবমদে। ... মবদা যাই থাদুনা ভা কানবগীসু অথীংবা লৈবম্মী।

মসানী। মমাঙদদি শঙাই হাৎপদা অথীংবা লৈবমদরাংলা?

১৮৯১ শী লান মমাঙদগী মনিপুরদা শঙাইবু ভাক শেননা হাৎপ যাদনা নিংথৌগী হুকুম লৈরে, হুকুমশিং খওইদনা শঙাই হাৎলবদি মখুৎহাও ককথৎ ভুন চৈরাক পি হায়না এলনান উলসন্নদি ইবম্মী।

মতুং ককথৎপা অসি নাবমখ্রানিদো।

শ লানা শাউব ননা খুমলকই

— খা চনা তানা থিন্দুনা হাৎলিবা শঙাইদি নাবমলোইদ্রা?

– অদু শঙাইদি অযো হায়বা তৈতে।

ইয়াদসু। শাদানবা উবদা কিদুনা চেল্লিদুদি

মচা আনানা ভাঙনবা তাবগা গোপালনা

ইয়াশা, শঙাইসু জীবনি। খবাযপানবা খুদিংমক মশাদা অশোক অপনগী চৈনা ফাওই। 'নাই' নত্রগা "অযো" হায়বা খোঙ্গোক্লা হায়দোকপা ভমদ্রগসু মখোযগী মীংযে, তৌখানকপা খবকনদি চেনাদুগী অবাবা, খাঙভমদবদু অদুমক ফোঙদোকই পাম্বীশিংনা নুংথিল নুংশাদা মনা খুইজিল্লবা, মশাদা শোকলু-থেংলুবদা ইকাইখবী ননানা খঙহৌদনা লেকথরিবা পুন্নমক অবা-চৈনা খাঙবগী খুদমনি।

সাগবনা

— যেঙোই, ইচাশা মমাঙঙৈদা নিংথৌগী অথীংবা লৈবগসু শঙাইবু লোন্না-লোন্না ফাবা-হাৎপদি লেপতনা চৎথবকখি। মসিনা অচৌবা মরম ওইবক্তুনা ইং ১৯৫০ অদুবাইদা "মনিপুরদা শঙাই লৈত্রে, শঙাইগী খোঙ্গুল মুৎখ্রে" হায়নকবে। বাফমসিগী তঙতাবা খঙদোকনবা সুতজাবলেন্দগী ঈ পী জী কৌরা নুপা অমা আই ইয়ু, সি, এন, না থারকখি।

— আই, ইয়ু, সি, এন? মসিবু করিনো?

— ইন্তরনেসনেল ইয়ুনিযন ফোর কনজারবেসন ওফ নেচর হায়রনি। মাহেমণা শা-উচেক, মহৌশাগী পোৎথোকপু ঙাক-শেন্দুনা প্রকৃতিগী নিতি-নিযমগী ময়ল কাযহন্দনা থম্নবগীদমক্তা পৃথিবী পুম্বগী ওইনা শেমখিবা খ্বাইদগী চাউবা সংস্থানি। ঈ পী জীনা মনিপুরগী কাচিন কোযা শীনথুংনা থিরকপদা ইথা-হাজদনা কৈবুন লমজাউদা শঙাই চামাবোম লৈবম্বা থেংনখি। তৌনগানবুদি চহি চামহুমফংলমগী মমাঙদগী পাবসী এলনস্ লোক্তাক খোঙবানগী চোং চোং লাউবা মফমদা শঙাই লৈ হায়খ্রবনি। মাঙখ্রে থাজনবলবা মনিসিবু অমুক ফংলবদা মখা তানা তেক্তা বাগদনা থমনবগীদমক্তা সরকারনা ইং ১৯৭৪ দা কেবুল লমজাউবু শঙাইগীদমক্তা বাদুনা থমলবা বাইল্ড লাইফ সেঙ্কচুযারীনি লাউথোকখি। ইং ১৯৭৭ ত্তগীদি লমদমসি মপু ফাবা নেসনেল পাক ওইখি। অসুম্না কাঙখুল মুৎখ্রে হায়কনবা শঙাই লমমদমসিদা অমুক ভু বোইনা হিংদুনা লৈবগনি হায়না অনৌবা অশাগী মৈরা চুখৎলবখি।

বাইল্ড লাইফ সেঙ্কচুযারী অদুগা নেসনেল পার্ক মরমদা মেনতোদক চমমনবা বাখলনা বোমী শ্যামোগী বাকো থুংলবে। ফংনমক হৈ মসি নাম ওইবরসু বাখলগী চমমনববুদি মতমচুপ্পদা লোৎশিন্দুনা থম্বা ঙমদে মায়থোকদা মসি হেক্তা তাবকই বোমী, শ্যামোদি অঙাংনি, মখোযগী মায়থোকদনা তারিবা মসিনা অমুক্তা হেন্না মযেক শেংই। ফিভমসি খঙলবা সাগবনা

সেঙ্কচুযারী নেসনেল পাক অনীমক লমলক্কী শা উচেকশিংবু ঙাকপা শেনরিনবা সরকারনা কন্দুনা থমলবা মফম ঙাক্তনি অদুবু নেসনেল পাকতনা হেন্না কনবা চেকশিন থৌরাং পাযখৎলি। মফমসিদা খোঙ্গুল মুৎশিল্লক্রবা শাশিংগী ফিভম অমুক ফগৎনবা থৌরাং তৌই। ইন্দিযান বাইল্ড লাইফ প্রোটেক্সন এক, ১৯৭২ বু মনিপুরদা চৎনবকপগা লোযননা লমদমসিগী শা উচেকশিংগী মরক্তা ফিভম শাথিনা শোকচিনখিদুনা খোঙ্গুলফাও মুৎপা যাবরা, মশীং হনথরক্লুনা অতাঙবা ওইবক্লবা অদুগা ফিভম থোইনা কার্যদ্রবা মখল হাযদুনা তোঙান তোঙান্না খন্দোকলে। অহানবা মখলগী শাশিংবু ঙমজবী উপাইনা ঙাক শেনবা অমসুং যোকখৎনবগী শক্তি পী।

ঐখোয়গী শঙাইসু মখলসিগী মনুংচনবা শানি অদুনা মানা লৈরিবা কৈবুল লমজাউবু নেসনেল পার্ক হায়রিবনি।

সাগরগী ৱারী মরক থৎলগা শ্যামোনা হায়রকই

— কাকা, সরকাবনা মতম অদুগা পৈশা চঙনা শঙাই ঙাক শেল্লিবগী পান্দমদি ফংলিব্রা?

অঙাংদগী অসিগুম্বা ৱাহং হংলক্কনি হায়বসি সাগরদি খল্লুদবনি। মহাক্না

— পাউখুমদি ঐখোয মযাম খন্নদুনা পুথোকশি।

রোমীগী ৱাখলদা কৈবুল লমজাউনা ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচুয়ারী ওইরকপদা শঙাই চামরোম লৈখি। চহী নিফুরোমগী মতুংসিদসু অসুন্না অসুম লৈ। অদুনদি

— কাকা, পান্দম ফংদ্রে। থৌরাং পুন্নমক ফেল ওইবে।

শ্যামোদি মচনগী বাফমদা য়ানীংদে।

— অঙাওবীদৌনা। ইপা হেক পাখৎলদনা। নঙনা করি খঙই।

— শঙাই মশীং হেনগৎত্রিশিদি?

— কনানা হাযবিবা?

— চহী নিফুগী মমাঙ শঙাই চামা, হৌজিকসু।

— মদুগী মরম খঙলব্রা?

— খঙই। মখোয় খুদিংমক লাবা ঙাক্ত ওইরমগনি অদুগা চহীসু নিফু হেন্না পুন্সিনব্রবা।

শ্যামোদু হাযফেৎ শাওনীংলুবমালে, খৃৎতুম উৎলি।

— শঙাইনবু চহী নিফূ পুন্সিবমগদ্রা। অদুগা লমলক্কী শা অমদা লাবা ঙাক্তা । ইমপোশিবল।

— অস। ঐখোয় লাইরিক্তা য়াওই কৈশু। খোই মখল খবদি অমোম ঙাক্তনা য়ুর্মালংই। মখোযগী মরক্তা লাবা সুংলৈ লৈতে। অমোম ঙাক্তা লৈবদি য়াবগা লাবা ঙাক্তদি করিগী

— মদুবুদি ঐখোয়সু তম্মীনে। লাইবক্তি মুন্না পাদ্রগা। খোয অমোমদি মকম কোকলিদুদি? করম্বা জীবগী লাবনা মকম কোকপা, মচা পোকপা যাওই। হেক শুজিল্লকপু।

গোপালনা মরক থৎলগা

— ঙাইখো, ঙাইখো ইচাশা। নবানিগীশি মীৎ উদবা অনীনা শামু মশক তাকপগী মওংদা চৎথরে। নখোয়নিনা য়েৎনরিবসি "শঙাইনা চহী নিফূ পুন্সিবা অদুগা লাবা ঙাক্তা লৈবা" অসি নত্রা?

রোমী, শ্যামোনা চপ মান্না খুমলকই

— মানি।

— অদুদি শঙাইগী মরমদা মুন্না খঙবা নঙ কাকা য়াওরিশিদি। মঙোন্দগী অচুম্বদু খঙদোক্লগা লোইহ্রে।

সাগবদু অসাইমখৈ অঙাং অনীনা ঙাঙনবিবদু অর্থ লৈবঙাক্ত ওইবনা তূমিন্না তাবি অদুগা পুকনুংদদি মখোয়নিগী অখাঙকন্নবা, অচুম্বগীদমক হনবা লৈতবা থৌনাদু হন্ন-হন্না থাগৎলি। মঙোন্দা ওনর্শিনল্লক্লবনিনা তুমিন্না লৈথোকপা য়াদ্রে।

— লমলক্তা লৈবা শঙাইনা চহী কয়া পুন্সিবগে হাযবশি চপ চানা খঙনদ্রি। জূদা যোকপা শা অমদি য়ামদ্রবদা চহী তবাদী পুন্সি। অদুগা শ্যামোনা হায়গুমদনা শা কাঙলুপ অমদা লাবা ঙাক্তা লৈবদি ওইথোকতে। শা কাঙলুপ অমগী মনুংদা লাবগী মশীংনা চৎনবা য়ানা হেনগৎলকলবদি মদুবু "মমি শামলবা শা" হাযনৈ।

গোপালনা

— হায়বদি তুংকোয়না লৈবরোইদবা।

— মদুমকনি, তামোচৌ। হৌজিমক্কীদি শঙাই লাবনা অমোমদগী মশীং হেনগৎলকপদি উদ্রি। অমোমনা খজিক খরাক হেল্লবসু হাযফেৎ চাং মান্নবি। অদুগা ভাবর্তাক জৃশিংদা পোকলিবা মচাদদি লাবনা অমোমদগী হেনতক্লা চৎলি।

বোমীনা শাউবংননা

— অদুদি মশীং চামদা লেপতুনা লৈবিশিদি?

— অহানবা মশীং থিবদা চামবোম শুই। চহী খবগী মতুংদা মশীং তবামবি মঙাদা হনথকরে, মদুদগী অমুক হেনগৎলক্লুনা চামবোম শুবে হাযবনি।

— অদুদি যোকখৎপগী পান্দম ফংলে।

সাগবনা শ্বব শাংনা হোল্লগা হোয়, ঐখোযগী হোৎনজমন পুন্নমক মহয় যান্দবদি নতে। ফরে ইচাশা নুমীৎ থেঙজিল্লকলে। নখোয় চাক লামলম্লগনি। চাবসি। চাক তোকলগা পার্ক মনুংদা চঙলগা ফুমদি মথক্তা শঙাইনা লৈবগী ফিভম য়েংলুশি।

নিপালশুবা

নোং নুংশিং মরক্তা

চাক তোকপদা পুং তবানীখোই তাগদৌবে। মথংগী খোবমদি পার্কতা কুমদুনা ফুমদি মথক্কী অশোঙবা নাকক্তা শঙাইগী অশেঙবা লৈফম-চাফম যেংবনি। খোঙচৎসি তবাই তবাইবা ওইরোই সম্লা নাংগদৌবিবনি। নুংঙাই যাইফনা ইমুংদা যোকলকপা পোকতৌদগী অচৌবা ঈশং ঈপাক্তা খ্বাঙগোনা কুমলক্লিবা ফুমদি মশক খঙদ্রিবা অঙাং ঙাক্তনি। মখোয়গী ইমা বাবসু অদুমঙাই, তন্দক্লা ফুমথক্তা চংপা অহানবা ওইগদৌবিবনি।

সাগবনা হায়বা মতুংইন্না মখোয় খুদিংমক যিং হোংদোকনবে। পাক মনুংদা শেংলুবা ফি অমতা যুম তনবদা শিজিন্নবা নুংঙাইরোই, লৈখোম লেনাও ংতবনি। লেনকোৎসু লাৎশিন্নবে। নোং চুবক্তনি হায়বগী ঙাকনতে তান-কাঙনা চাক্পা, নাপী লাংনানা যাংতনবনি।

খোঙচৎসিগী লুচিংবা বুবোনা ওইদৌব। মহাক মফমসিদা কুইনা লেনগুনা শঙাইগী মন্মদা মমুৎতানা খঙলব। নিপানি অদুগা শঙাইগীদমক্তসু মশাগী [illegible] ন-য় হাদোকখ্রনি পাক মনুংদা মশাগী, ওইজখিবা মাওই কনাগা মানবেংবদা তানা অং। নমাসু নংখবনি। ত্রেগী পুন্সি শঙাইগীনি শঙাইনা মৌযামগীনি ইনমদনা, মিংচংনি' থন্না চাউথোকসনিবা মহাকনি। সাগবনা মাবু থাডক্দুনা লমতিং পুরেল থল্লকপদা হবাওজে। খুত্তা খুগ্রি অমা পাযবগা মহাক্তা মাঙচিংদুনা চাংথক্তগী কুমথবকই।

চীংখা যৌবে। বুবোনা লাকমিন্নবিবশিংবু পাক্কী খা নোংচুপতা থাংব্রেন যাংবীবোমদা লমজীংখ্রে। সাগবনা

— বোমী, শ্যামা ঐখোয় হৌজিক ফুমথক্তা চংপা হৌগদৌবে। মফম খুদিংমক্কী ফুমসি থাবা মান্নদে। নখোয়গী খুবা বুবোনা চংলিবসি মুন্না যেংউ। মহাক্তা লেপতনা পবপ পবপ চংখ্রবদি ঐখোয়সু লেপতনা মতুং ইনগদবনি। মফমদু খব পাবা ফুমদিনি

হায়বা খঙ্গদবনি। মমমদদা হেব লেপলুবদা ঐখোয় পুংথগনি। অপনা [illegible]

চৎপদি যানিলমখে। [illegible] নাঙনা থাংগদবনি। অদুগা নাপী মথক্তা খো[illegible] [illegible]
নেৎলু।

খোঙনা নাপী [illegible] ইন্থুবগা মথক্তা নেৎতুনা চৎপগী [illegible]
তম্বী। গোপালনসু

— ইচাতোম্বী কাকা। [illegible] নসি মুন্না যেংউ। হৈনিকো?

— অসুক লায়বসিবো।

শ্যামোনা

— মসি অঙাংসিমা অফাওবা [illegible] শাজিল্লকই। নহা[illegible] [illegible]ভিদা [illegible]
নাম্থোক্লগা উমং ফাওনা চেল্লকপা গোন্দি অহুম কোমদা পুংথনদো

— অওইবনি তামো, মখোয় বাবমগনিকো?

— নওসু অদুন্না পুংথবনদি?

— পুংথাবিবোই কেশু।

- ঐদি চিংখৎপিবোইদোনি

- চিংখৎপিনু। কাকাখোয় [illegible]

অঙা অনাগী খৎনা সাগবনা থেমাজিল্লকই।

— ইচাশিং কবিগী ফুমদা পুংথনদগে। ঐখোয় মযাম যাওবিশিদি।

মাঙচিংলিবা বুবোদু খব চৎলগা লেপতুনা লৈখ্রে। মদু উবদা সাগবনা

— বুবোনা লেপলিবসি অথাবা ফুমদি মথক্তা ওইবমগনি। ঐখোয়সু মনাক যৌনবা পবপ পবপ চৎসি। ইবুংঙো শ্যামো নঙনা অমুক মাঙদা চৎলু। বোমী ইবানি তুংদা লাক্কে। অদুগা ইমা-বাবাসু ইন্নবকসনু।

শ্যামোগী অহানবা খোঙকাপ খবদি হাইবং তুবংই, পুথগে, পুংথগে তৌই মহাক উচিন-নাচিন্না বুবোগী মনাক যৌখ্রে। বোমীদি। মহাক অহানবদা নিংদোল খব চোংই, কবন্না লানসিগে খল্লি। ' তামোসু ফুমদি মথক্তা চৎপা ঙসিনা অহানবনি ঐগা চপ মান্নে। মানদি ঙমলগা ঐদি কবিগী ?" বোমীগী পাংগল থৌনা খংলৈলৈবকই। মবানিগী মবক্তা লৈবিবা নুপা-নুপী, চহীগী খেন্নবদু খল্লুদে। থৌনাফবী নুপীমচা ওইবগী মতীকনি। মহাক্না যৌগে, ফংগে তাল্লিবা পনথুংদু যৌদ্রিফাও নীংহন্দবীনি। অহানবা খোঙকাপ খবদি সাগবগী মখুৎ পাযবগা তুবোই ঙামলোই চৎলম্মী। মদুনা মঙোন্দা অফা-অপূন তৌনা চৎপসি নুংঙাইত্রমালে

— কাকা, ঐ ইতোমতা চৎচবগে।

বোমীসু সাগরগী মতেঙ যাওদনা পবপ-পবপ চৎতুনা বুবোগী মনাক যৌখ্রে।

মতুংদা সাগর, গোপাল অমসুং সুশিলাসু ইন্নরক্কুনা পুলপ-পুল্লে। বুবোনা খুৎ খিন-খিন্দুনা লমিৎ-তুমিৎ তাকলকই।

— মাঙদা অৱাঙবা নাপী মরাঙকায়না হৌবা উরিবা মফমসি থাংব্রেন-য়াংবীনি। মসিৱাইসিনা ময়াইদাক ...., হাওরৌফুমলক.......।

সাগরনসু অঙাংশিংদা ফুমথক্তা হৌরিবা নাপীগী মশক তাকলকই।

— মসি তৌ কৌই। মঙুদা মতাঙ-মতাঙ পাল্লগা মনুংদদি মরিন হোই। বুবোনা তৌ অমা য়াল্লগা তঙ্খাই খাইদোক্লগা য়েংহল্লি।

— তৌগা ৱাংবা মান্নবা, মপাল চামবগুম ঙৌরোক ঙৌনা শাৎলিবা অসিনা খোইমোম কৌই। মঙুনা ৱাশা মাল্লগা, মহয চরোং চুন্না পাল্লিবা অসিনা য়ৱা চনিংনি। অমসিনা শিংউৎনি, ... শিংনাংনি, ... পুলৈনি, ... চোলাংনি, ... লিলহারনি, ...।

রোমীনা মরক থৎলদুনা

— চীংথক্তগী য়েংলকপদদি নেমত্রিক লেম্নী। মনাক্তদি কয়া ৱাংখ্রবনো?

সাগবনা

--- অদুনবু শঙাই উদ্রিবনি । বুবোদা অমুক ওনশিন্দুনা

— তাদা ঈশিং কম্বোং হৌবা মফমদা অমুক...... . . ..।

— ফনি সাহেব।

বুবোনা ঈশিং কম্বোং পাক-শন্না হৌবা মফমদা পুশিল্লি অদুগা পাম্বী অমা চিংখৎলগা য়েংহল্লি। মদু উরগা সাগরনা

— ইচাশা য়েংউ। ঈশিং কম্বোং মঙুশি ৱৱ পাইপ মান্দ্রা? অমা চিংখৎপদা মরি-মরি শমনবক্লিাস উৱব্রা। মসিগুম্বা মবি-মরাংশিনা শমজেৎ লোনশিন্নরগা মথক্তা অতৈ নাপীশিং হৌজিল্লকপদগী ফুমদিনা চহী খুদিংগী থাবা হেনগৎলক্লিবনি। ঐখোয়না নেৎলিবা ফুমসি অমুক্তা নোমলগা য়েংউ।

শ্যামোনা

-- খোঙ পুৎথরোইদ্রা কাকা?

— য়েংদা য়েংউ।

— পুৎথদে কাকা।

রোমীসু যাওশিল্লি

— হায়মা য়াম্না নুংঙাইয়ে।

— মথক্তা অমুক চেল্লগা য়েংউ।

অঙাং অনীনা কোয়চেল চেল্লি। মখোয়গী খোঙকাপ খোঙথাংনা ফুমদিনা থোক-থোক নোমলকপদা অহানবদদি তুগে তৌবম্মী অদুবু ফুমদিগী থোক-থোক

নোমলকপগা তান চান্ন চান্নবা খোঙথাংনা হৈবকপগা লোযননা মথক্তা চেন্দুনা শান্নবগী নুংঙাইবা ফাংখরে। খাযনা লমদমশিগী অঙাংশিংনা শান্নবদা শিজিন্নবগা মাংগে বা তা শকনবগা ইশেলি হায়দুনা স্কুলদা ফিজিকেল ইদুকেসনগী ওজানা তম্বীখিবদো মতেক মতেক নিংশি লকই।

– "উ হাযনা তাল্লগা

– "জম জম লাইতোনজম

"তে তে তেনবা

কুমথক্তা অমুকসু থোক থোক নোম্মী

নোম নোম শঙাইতোং চানবা লেতে তখেলথাঙ

শান্নবগী শব থবেং থবেং হোল্লাদুনা বোমানা

[illegible] মযমসিদা ঈশিং কম্বো চৌবমদ্রবাদ শঙাইদ, [illegible]

[illegible] শঙাইনা লৌখবগী বানীদি [illegible] হাযখিবদা [illegible] অদম্বু [illegible] মসিগী হায়দি [illegible] ঈশিং [illegible] মতেংদি খাঙ্গা [illegible] [illegible] শঙাইনা হাঙ্গা পাঙ্গা [illegible]

[illegible] মানবীনচিংবা শঙাইনা পামজবা শাউক মখলোম [illegible] [illegible] কউ। [illegible] অমুক [illegible] [illegible] অমুব পশিনখায়।

– অদুদি মনু খব হাঙ্গা চঙশিন্দবদি

হৈ কেনৌগা। তাঙ্গাংশি [illegible] [illegible]

[illegible] শাদৌ খোংলে [illegible] [illegible] হাযসিনা মনোলমা [illegible] [illegible] খিঙ্খালে [illegible] [illegible]

[illegible]

[illegible]

মম [illegible] কাউ অমহৌ [illegible] [illegible] শঙলোইকো

বোমীদো মপা মমানা ঙাঙনবিবদু মুম তাকৈদ্রে। তানম্লবা [illegible] মদি হাযবক্রমগদবনি

– অমহৌ ওইবনসু খ লাক খ লাক লাকই নহালমখো মাগী অচৌম খুং লম্ভুদনা ঙসিদি মপুক। পন্না চুপহৌবগে খল্লমালে। মী অতৈদাদি চীক্লা এংচৌন্দদা চীংবা খঙদ্রে।

— মমা, কাঙনা নুপীদনা হেন্না চীকপা পাম্মী হাযনশি [illegible]

লৈ। ঙাইখো, ঙাইখো, কাঙগী ৱাসি থমখিশি ইচাশিংনা করি হায়রি। মখোয়গী অপাম্বা মতুংইন্না মখা চৎথশি। গোপালনা মচাশিংদা

— ইচাশিংবু ৱাবব্রা?

— বাদে, বাদে।

বুবোনা মাঙচিংলগা হেন্না শোঙবা নারক্তা অমুক চঙলকই। লম্বীদা লমওকনা লৈওল্লম্বা, নাপী ফুক্লগা চারম্বগী মফম থেংনৈ। সাগরনা অঙাংশিংদা তাকই। খরা অমুক চঙশিল্লি। অকংবা নাপী ময়াম অমা পৈশিন্দুনা লৈরম্বা থেংনৈ। মদু উবদা বুবো চপ লেপ্পী। মহাক্না লেপলিবগী মরম সাগরদি খঙই। মহাক্না তপনা

— তাদা খুদোং চাররোইদরা?

— সাহেব লৈরমগদবদি মান্দে। অশেংবদি খঙদবনিনা খরা কোইথোকলগা চৎপনা ফগদ্রা?

— তাদনা ফগদবা য়েংবিয়ু।

সাগর অমসুং বুবোনা ঙাঙনরিবদু অঙাংশিংসু তায় অদুবু মরোলদি খঙদে । শ্যামোনা

— কৈদৌরে কাকা? শঙাই লৈরব্রা?

হংলক্লবনিনা তাক্তবা য়াদ্রে। অঙাংশিং কিদনবা সাগরনা খরা কোইথোক্লা

— শঙাইগা কৈবুলদা লৈমিন্নরিবা শা পুম্নমক মপুক-মপাউ ফবা ঙাক্তনি। মখোয়না কনাগুম্বা অমদা খক তাথি-তাওইনা তৌখিবা লৈত্রি। ইচাশা মাঙদা উরিবা নাপী...... নাপী মপৈসে, মসি.......... মসি নহালৱাই লমওক্লা শারম্বা হৌজিক্তি লৈনদ্রবা মকোন মাল্লি। লৈনবা মফম ওইরমলগসু নুংখিলনিনা মচীঞ্জাক খিবা শোয়দনা চৎথোকলমগনি।

সাগরগী বা লোইহৌদ্রে । সুশিলানা পাখৎনা

— লমওক! লম....লম.... লমওকসিবু য়াম্না শাথি হায়নবদাই। ঐখোয়দা তান্নবকলবদি কমদৌনি?

— মমা অমুক্তা তপথখো। ইচাশিংদি করিমতা হায়দে।

গোপালনা সুশিলাবু থেমজিল্লি। সাগরসু মতেঙ পাংশিল্লকই

— ইতৈমা নুংশা থীবিরুনু। লমওক লৈরমলবসু ঐখোয়দা কৈশু তৌরকলোই। মাগা উন্নদনবা ঐখোয়না থৈদোক্লগা চৎকনি। তমথিবা শা-উচেক অমতনসু মীওইবগা খক উননিংদে। ঐখোয়দগী লাপথোকনীংবা ঙাক্তনি। মখোয়না শাউনিংবা থবক কয়াদগী মশা ঙাকথোকচনবগীদমক্তা তমথিবা শাজৎতু ঐখোয়দা উৎলকপনি।

সাগরগী ৱাদগী সুশিলাদু কিবা খরা ফৈদি হায়ববু চিংনবদি কোক্ত্রি। মখোয়

পুন্নমক লমওক মকোন্দগী খর থৈদোকলগা মখা পাংনা অমুক চঙশিল্লি। খর চৎলগা শঙাই, খরশানা কুল্লম্বা অমদি শজিক চাখিবা মফম থেংনৈ। বুবোনা নারক্তগী উশা মান্না কোনবা অমা পায়খৎলগা লাউরকই

— সাহেব শঙাই মচী অমা লৈরে ।

সাগরনা শঙাই মচীদু লৌরগা অঙাংশিংদা খঙহন্নীংনা তাকপা হৌরকই।

মসিনা মাঙলোমথংবা অদুগা খর শাংবসিনা তুংলোমথংবা মচীগী শরুকনি। ইংরাজি ময়েক "C" হায়দু মান্দ্রা ? শঙাই মচীদি "নিনি পানব থাজ" মাল্লি হায়নরিবদু মসিনি।

বুবোনা মাঙ থারগা মখা পাংনা অমুক চঙশিল্লি। রোমীদু চৎপা ৱারক্লমালে, মঙম ইশান শাল্লক্রে। মপানা

— ইচাতোম্বীবু ৱারব্রা ? অমুক হল্লশিরা ?

— য়াদে, য়াদে ।ঐদি শঙাই য়েক্কদৌরিনি। মশক্তি ফজনা উদ্রি। করম্না য়েক্কনি।

বুবোনা

— সাহেব, শঙাইনা কুল্লম্বা মফম ওইরমালে, অনৌবা মথী-ময়ুং তারে। অনকপদা শা শোয়দনা লৈরমলনি। বুবোনা হায়গুমদনা ইরাপ লাপতনা নারক্তা শঙাই খরনা মীওইবগী শউম তাবদা মঙক থাংগৎলগা তথক-তথক য়েংদুনা লৈরি হায়বসি অশোঙবা নারক ওইবনা কনামতা উনদে। শক্তমসিমক রোমীনা উরমলবদি ওঙ্খোক্লা হরাওজগনি। মহাক্লা লাই ওইনা য়েকনিংলিবা শক্তমদুমকনি শঙাইনা নারক্তা উৎলিবা। অদুবু করমনদি উরুনি, অশোঙবা নারকনি অদুগীসু মথক্তা মী লাকপগী শউম ফংবদগী শঙাইদুদি তেনজৈমুক য়াঙনা চেনখ্রে। চেন্ন-চেন্ন "য়েক, য়েক" হায়না খোংলমগুম তৌই। য়েক্লবা লাকলে হায়রিব্রা ? মখোয়না চেনখিবগী ফর ফর হাইহৌবা নাপী মতোন্না নুংশীৎকী ইথক-ইপোম খরমখৈ খোকহল্লবসু রোমী শ্যামোনা য়েংনীংনা থিরক্লিবা শঙাইগী মীপাই-খোঙজেল-লমজেন্দুবুদি ময়েক শেংনা উহৌদ্রে।

শঙাই উরনি হরাওরম্বা অঙাং অনীদু নীংবা কায়রে। মখোয়না উনিংলিবা শাদু মীৎলমগী ৱাংমা লানখ্রে খঙলকপগা লমশাং লাকপগী অৱাবা ফাওরকপগুম তৌরে। ফুমদি মথক্তা অমুক পুৎথ, অমুক শকৎ লাকপগী অৱাবা. ফৈব্বাক থোকপা খঙলকলে। অশোঙবা নারক্তা লাকপগী মচীল থৌরবা লমথাংজৌ,হুপ.,লাংনানা শিংনা শানা য়াৎখিবা, লিলহারগী তিঙ্খাংনা খোৎখিবগী শারি-শারিবা চৈনা ফাওরক্লে। তিনফা কাকফৈ, কাঙনা চীকখিবগী অনাবা হাক্কচবা খঙলক্লে। অঙাং অনীগী নীংবা কায়বা মতৌ উরগা সাগরনা

— ইচা অনীগী নীংবা করিগী কায়রুদগে। মফমসিদা নত্রগসু অতোপ্পা মফম অমদা শোইদনা উহনগনি।

নুংথিল নুংশা খাঙবদা খুইজিল্লুরবা খুজং পাম্বীনা নুমিদাংব্বাই মখোঙ ঈশিং চাইবদা লৈনা তেকখৎনা লৈকা ফল্লকপগুম, নীংবা কাযকব্বা অঙাং অনীদু সাগবগী ব্বা তাবগা অনৌবা অশাগী মঙাল অমা উবকপগুম তৌই। মাযথোংদা তাবম্বা নীংবকাযবগী মমিদ্ তপ্না তপ্না মাংখ্রে। মাইথোং মকালাম্না নোকমী নোকমীববা বোমীনা

-- কাকা, শঙাই শোযদনা উহনগনিকো?

— শোযদনা উহনগনি।

ব্বারী শানা-শানা লাকপনা থাংব্রেন-যাংবীগী মযাই য়ৌনা ফনা লাপনা চঙশিল্লকলে। মাঙচিংলিবা বুবোদি খঙই অদুবু সাগবনা হাযবক্তবনিনা মাঙলোমদা লেপতনা চঙশিল্লি। নুংথিলগী মতম ওইববসু নোং মংই, নুংশা শাদে। মসি মখোযগী লাইবক ফবনি। নত্রগদি অবাম থৌবাংবা অদুগা বাবনা পোপ তুবগাদবনি। বোমী, শ্যামোগীদি শঙাই উগনি হাযবগী বাখলদা বাবা চঙদে, থৌবাংবা ফাওদে।

অতিযাদা মংলম্বা নোং খব কুঙশিল্লকপগুম উবে। মচি মচি দা মুশুক মুশুকমুবা লৈচিলনা অতিযা কিনথবক্কদবগুম কাবকলে। ফিভমসিদা সাগবনা

-- তামোচৌ, নোং চুবক্কদৌগুম তৌবে। নাবকসিদা লৈবিঙে চুবক্লবদি অঙাংশিংদি ওম্থোক্লা বাবনি। ঐখোযবু অমুক হন্দোক্লসিবা?

— ইনাওনা সুম ফগনি হাযবদু ইযাম্বগীসু অপাম্বান।

-- অদুদি নোং চুবক্তিঙৈদা অমুক হন্দোকহৌবসি। বুবোদা ওনশিন্দুনা তাদা, মপাললোমদা থোকনবা অমুক লমজাংবিবো। অদুগা গোপালদসু তামেচৌ, ত ঙা শিংবুদি নুমিদাংবাইদা চাংমৈ তোযাবোমদা পুবগা শঙাই শোযদনা উহনজনি।

ব্বালোনা মাঙচিংলগা মখোয পুন্নমক অমুক থোকনবক্লে। হান্না শেমদুনা লৈবা লম্বী নবেনিনা অহানবা চঙলকখিবা লম্বী পবীংদ খঙনদে। অদুবু বানাংঙাইদি লেংে পাক্কী লমিং তুমিৎ মুম্না খঙলবা বুবো নাওনি। মতাক্লা লমজাংবা লম্বী অমগী খুদংইনা [illegible] মমক অবা পানা থোক্লবকই

মা তযাদা ম লিবা নোং অমুক্লা হেন্না কুঙশিল্লক্লে। মকোক লিশিং পানবা নোংদুম পবে পরে না তমথাবনা হিংচা যাইতম্বগুম মবী-মবী হোৎচিন্নবক্লে। নুংশীৎসু খব খব শাৎপা হৌবক্লে। নোংদি শোযদনা চুর্নান হাযবগী পাউনি। কবমদি তৌনি। অকংবা লম্বী শোবোক ওইদুনা পবপ-পবপ চেংবা উপাইসু লৈতে। মখোযনা লৈবিবসি খুবক হাঙদমখে নাপী কুঙনাহৌববা ফুমথওনি। চঙজফম ফংলোই, খুপফমসু লৈতে। ফিভমসিদা নোং নংশিং নংবা হাযবসি ওম্থোকনা অবাবা ওইগনি। নোংচুর্দ্রঙৈদা ফাওবা চান কাঙ চাকপনা খাঙফম খঙদে। নোংগা চুশিল্লক, নুংশিৎসু

য়াওশিল্লক্রবদি......? পাক্কী ফিভম মুন্না খঙবা অমদদি থোক্লগদৌরিবা খুদোংথীবসি মাগী ৱাখলগী মিংশেলদা ময়েক শেংনা উরমগনি। অসুক শাথিখ্রবা ফিভম কয়াবু মাযোকননা খাঙলিবা শঙাই, নহাক্কী পাঙ্গল থৌনা অঙকপনি। নহাক্রবু পামলবদি, হে য়ারৌও, শঙাই, চীংলোন মাপল লানখিবা, অপাম্বা লমদম খন্দুনা লৈরুবা য়াবনি। "য়েলহৌঙৈদগী লমদমসিদা লৈদুনা, মফমসিগী ঈশিং-নুংশিৎ-নুংশাদা চাওবক্লে; থবায়না তাজবী ঈশিং কম্বোং মনৌ খৌবুম থন্না চারগা লোক্তাক্কী অইংবা লাইজনা চফম ওইবক্রবী ঐহাক্কি; অদুগুম্বা মতমদো লমদমসিগী ঈশিং-নুংশিৎ ফরিঙৈ, মহৌশাগী নিযমদা তাইবংগী ইথিল চঙদ্রিঙৈ, শামা পাংগল কল্লিঙৈ, কঙলৈ ইমাগী মতীক মগুন শোন্দুনা লৈবক্লে; হৌজিক্লা পুন্সি য়াচঙলকলে, হিংবগী মমিসু শামলক্লে, মরেক-মহাও থোক্রবা হকচাং পোলাং পুরগা, কঙলৈ লৈকোন থাদুনা ঐনা কৈদা চৎলুনি।" অদুবা ও, যারৌও শঙাই, কৎথোকলবা নহাক্কী পুন্সি।

ইকুই কুইদনা থোক্রবা য়াবা খুদোংথীবসিগী খল্লবদা বুবো হুমাং অনপ্পী কারক্লে। কবম তৌনিং সাগরনা বাজবসু বুবোদগী হম্ববা নতে, তৌবতবু মহাক্লা রোমী, শামোগীদমক্তা মকুওইনা বাজৈ অদুগা বুবোনা চৎমিন্নরিবা ময়ামগী খল্লি। নুংশিৎ উক-উরু লৈশিন্না শীৎপা হৌরক্লে। হাই-হুম্না খাঙলম্বা তৌ-শিংউৎ-শিংনাং খিবিক উপাই লৈত্রমালে, চপ-চপ লেপতুনা লৈনরে। বুবোনা নুংশিৎমবক্তা কোইচেল চেন্দুনা অথাবা ফুমদি লৈবা মাইকৈ খল্লি। খুৎলৈ থুনা নাপী নমথেকতুনা চৎনবা শেম-শাই।

— অঙাংশা বাগনুকো। খর থুনা . শোমদা, শোমদা. . পুৎথনি . । চৎনা-চৎনা ঙাঙবসু লেপতে, মখুৎনা নাপীসু হাইদোকই. মখোঙনসু নেৎথে। নোং নুংশিং কনশিল্লক্লিঙৈদা যাবিবমখৈ মপাল থোকহৌবা হাযবসিনা মহাক্কী পানদমনি।

"মীনা নিংবনা, অনা লাইনা তমবনা অমা" পাওরৌসি ঙসি কৈবুল লমজাউ কুমলিবা সাগব অদুগা মাগী কাঙবুদা চপচানা থোক্লবে। নোং কন্না চুথবক্লে মদুগী মতীক নুংশিৎসু কনখৎলক্লে। "নোংনা পূমচোৎ চোৎনা মতৃ পোল্লবা শঙাইনা তিন-কাও চীকপগী অবাবদু যেংনিংদে, চুরক্লিবা নোংলিক খুদিংমক লোক্তাক্কী ৱাংমদা হুমদোকখ্রগে" হাযবগী মতানি।

নুংশিৎ হাযবসিমক্তবু ফত্তবা য়ুম-শংগোয় লৈবা, উ-বা হৌবা মফমদা থৌবা হেল্লি। কৈবুলমজাউগী অবাঙবা নাপীরকসিসু মতীক উৎথোকপা নুংঙাইবা মফমনি। চাংখৈ চাংনা পল শানা থৎখ্রবসু থিংবা ঙমহৌদবা খাগী নুংশিৎনা চীংথক্কী উচাল কারক কাবক্তা ফাওদোবক্তুনা ফুমদিথক্কী তৌ, কমবোংরক্তা নৈখায়রক্লে। অচৌবা পোৎ চৈ তেক কাযবগী খোঞ্জেল ভাদ্রগসু শাফু কল্লবা নুংশিৎনা নাপীরক্তা চেল্লকপগী খোঞ্জেল মখল মখা, অকায়বা তৌ-উতোংবক্তা ফাওজিল্লগা খোংলকপা অযাকপা হুইসেলদি তাবি।

রোমী, শ্যামো নত্তনা চৎমিন্নরিবা খুদিংমক মিপায়নরে। খোঞ্জেলদি থোক্লদে অদুবু পুক্নুংদদি খন্নে করি থোক্লগবা! নোং-নুংশিৎকি মতীক-মগুন খঙনরবা, উনরবা মখোয়না মী চঙনদ্রবা লমহাং-নারকশিদা কিরোইদবগী মরম লৈরিব্রা। অঙাং অনীগী বাখলদি তোঙাল্লি। মখোয়দা অকিবা লৈতে, অৱাবা খঙদে। মখোয়না শঙাই অমদি কৈবুল লমজাউগী অঙকপা, অকিবা, থৌদোক ৱারীতবু তানীংই, খংনীংই, উনীংই। অসিগুম্বা অকিবগী শক্তম লৌরক্লিবা ফিভমসিবু নাচুংদ্রিবশিংগী মনুংদা হঙোই মতৈ-মনাওসু য়াওরি। নোং নুংশিৎ মরকসিদা মখোয়না ঙমজবী হৌনা ইশৈ শকৎলক্লি।

বুবোনা নাপী হাইদোকই, নুংশিৎনা হুমজিল্লি। মায়য়োক্নরুবসু শ্বর ফুল্লি। মহাক তশেংনা অৱাবা তারে। কদোমদা চৎকনি। পাবোৎচীংদি তামহৌরে অদুবু মফমদুদা য়ৌকদবসু য়াদে। পোৎ-চৈ লৈহৌরি অদুগা হিসু চীংখোংদা থাঙহৌরী।

— সাহেব করমতৌসিগে?

— নুংশিৎ লেপত্রিফাও নাপী মরুম থুপনা লৈশিরা?

— মদুসু তিমফা-কাকফে চীকপনা খাঙবা ঙমলোই সাহেব।

অচুম্বনি। নোং মরকসিদা তিন-কাঙনা চীকপা অমুকসু হেন্দৌরিবনি। মখোয় পুম্নমক বারসু ৱানা চীংখোং য়ৌনবা চৎনরসি লেপনরে। রোমী, শ্যামোগী অচম্বা ৱাখলদি নুংশিৎ ফনা কল্লবসু মাঙদা পাবোৎচীং উরি। মসি য়ৌনবা হেক্তা চৎকনি।

অঙাংগী বাখলনি। পার্কী লমিৎ-তুমিৎ মপুংফানা খঙদ্রিবনি। চীংখোং য়ৌরফাওবদা হিথাংফম থিবদা অবাবা ওইগদৌরিনি।

লম্বী পবিং অমদা চৎনরম্বা তোক্লগা লাকমিন্নবশিংদু পাবোৎচীং মায়কৈ তম্না তোঙান-তোঙান চৎনবে ।বুবোনা রোমীবু কুপনা য়েংশিল্লি অদুগা শ্যামোবুদি চাউশেন ওইনা শেন্নরে।

চৎমিন্নরিবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী বারিবদি মমা সুশিলানি। পুন্সিদা খোঙনা অমুক্তা লমশাঙ চৎলক্তিবা, থবক অবাবা শুরক্তিবী মহাকনি। খুংগঙগী নুপী অমনা চীং-মান. লবুক্তা থবক শুনদা করিশু নাচুংদ্রবসু সহরগী নুপী অমগী মফমদদি হায়নিঙাই লৈতনা ৱাবগী মশকনি। মসিমক সুশিলাগী মফমদসু থোক্লবনি। অৱাবগী মীকুপশিদা মচাশিংবু খুদোংথীবা মফমদা পুশিল্লি খন্দুনা মপুরোইববুসু ৱারৌই।

— মাই বাবাগী নাতৈ চাদবা থবকশিবু। সুশিলাগী শাউরংনবা খোম্থোক্লি।

— কৈদৌরবগে?

— অঙাংশিংদা হৌদোকলুবিসিবো হায়বা।

— সিবু করি কায়বগে?

— ময়াম বানরিশিদি?

— কদায়, কনাসু ৱায হাযদেনা। ইচাশিংসু ৱায হাযদে। নীংবা থুংলে খন্নদুম হৱাওবি।

— অদুবু ঐদি বাবনা শিদৌরে।

— অদুক বাগনবা নংদি কৈদৌনা লাকলিনো?

সুশিলাসু শাওবংনৈ

— অসুম্না খুদোংথীবমনি হায়বদি খল্লুদবা। অদুগা ইচাশিংগী থবক্তি মমাসু যাওফম থোকইদো।

— ইচাশিংগী অবা-নুংঙাইদদি মমা যাওফম থোক্ত্রা?

ঙহাক চীনকাঙজে শান্নরিঙৈদা শ্যামোদু কদোমদা চৎখি হাযবা উনহৌদ্রে। বুবোনা বোমী শেন্নবিঙৈদা খঙহৌদ্রে। সাগবনা নোং-নুংশিৎ থুনা নেমখ্রদি নুংঙাইনি খল্লিঙৈদা কোমথোকলুবে। শ্যামোনা খল্লিবনা, মহাক হান্না চীংখোং যৌগে অদুগা মচলনুপী যৌবকপদা "পাঙদবী" হাযনা লকনগে, শাউহনগে হাযবসিনি। অসুম্না খন্ন-খন্না লাকপনা মহাক মীযামদগী নাইতোম তাহৌবে। নুংশিৎ মবক্তনিনা অমনা চৎপগী মখোল অমনা তাদে অদুগা নাপী লেঙবসু উনদে।

শ্যামোদি কবিসু নাচুংদে, মাঙলোমদা লেপতনা চঙশিল্লি। কৈবুলদা নোং-নুংশিৎ নংবগী বাবী মবীকচুম্না ইবা ঙমলগনি খল্লুবদা মহাক্তি হৱাওবি।

থাংগৈশেংবমক শ্যামোদু মীযামদগী যাম্না লাপনা খাইদোবক্লে। মহাক্না চৎলিবসি খা-নোংপোক পাংলক্লে অদুগা অতৈনা চৎলাববনা অবাং-নোংপোকলোমদনি। অদুফাওবা মাযকৈ ওন্নবে হাযবা মহাক খঙদ্রি।

শ্যামোনা অনেম্বা নাপী হৌবা মফম অমা থেংনবে। মফমদুদা হৌবিবা নাপীশিংদু ইমান-মান্নৈ, চাং চপ মান্ননা বাংই। লৈখোং শেম-শাবা মালি অমনা মতোন চপ মান্ননা ককথৎলগা শেমবা মাল্লি নুংশিৎকি শাহুমদা বাই বাই তাববা মনাশিংনা ইথক-ইপোম হৌবকই। যুমনাক শাগৈ হোংলকপা কুইদ্রিবী চনুশিংগী শাইনোমনা নাপ্পা যৌঙমদনা জবাই জবাই তাবকপগুম যেংবদা ওহ্নোক্লা ফজে। শ্যামোনা ঙহাক লেপলগা মফমদুগী ফজবা যেংলি

— নাপী মবকসিদা ঐখোয বোমী ইবানি শান্নমিন্নবদি নুংঙাইখ্রনি। মহাক মফমসি উবমখিবোই। মহাকসু যেংতনগে। হো বোমী, হো বোমী ।

শ্যামোনা কৌবদু বোমী তাবমগদ্রা? তাবমলবসু মহাক্না খুম্নকপদু শ্যামোনা তাখিদে। জম জম চুবিবা নোংগী খোঞ্জেল অদুগা শাফু কল্লবা নুংশিৎকি শউম অদুতনি মহাক্না মযেক শেংনা তাবিব। অতৈ মতমদা ওইবগদি মহাক্কী মচল নুংশিবগী খোম্হোক্তুনা পাবোৎ-তোযা চীংমৈ চীংগী মরক্তা অৱায-অখুম শান্নবগী খোঞ্জেল তাবমগদবনি। নুংশিৎতি খব খর নেমথবক্লে হায়ববু নোংদি অদুমক কল্লি। শ্যামোনা পাবোৎচীং

যেংলকপদা মশানা হান্না উখিবদগী যান্না থাপতোক্লা উবে অদুগা ওইওইননসু লৈহৌবে। মহাক লম্বা লংক্লে নাকমিননবা অতৈদগী তোঙান তাবে হাযবা খঙলে। "নীবু লমমাঙনববা [illegible]দুনা [illegible] উপায মা তৌদুনা চাংখোংফাওদি যৌনবা চৎকান।" মঙোন্দা পাখংপা [illegible] [illegible] যাওদে অদুগা চিংনবসু লৈতে। তশেংনমক শ্যামো যান্না থৌনা যনবা, [illegible] [illegible] নুপামচানি। না কযা ভ্রাঙগান্দবগী রোমীবুনা হেন্না থৌনা ফন্না উবর্বানি।

[illegible] অমং [illegible]মদা চংখিবা মখোয মঙাদুসু খোঙবু অমতা তিন্নদ্রে। বুবোনা [illegible] [illegible] [illegible] হান্না খোবক্তুনা অনেম্বা নাপী হৌবা লমপাক অমগা মপান্দ [illegible]। মহক্মাদো চাংখো যৌগদবসু পঙলাপ লাপত্রে। চহান লেনগা সাগ[illegible] মাড থাবগা গোপাল সুশিসলাসু থোবক্লে। বুবো, রোমীনা লৈনিবা [illegible] খব লাপনৈ শক[illegible]দানি উনবিবা। শ্যামোদি হৌজিকফাও থোন[illegible] [illegible] নোমেন[illegible]নিনা [illegible] [illegible] নবসু [illegible]। "তিনকি-লাইকিদবা [illegible] [illegible] দা [illegible] কবিনোমা [illegible]দুনা লৈবমগনি" নাকল অনামক্লা খন্নাখ।

[illegible] রোমানা শ্যামো থোবকপা ডাইবি। সাগবনা লুচিংবা অতমদদি চা [illegible] পানা [illegible] [illegible]শিনখ্রে। শ্যামো রোমীগীদমক্তদি বুবো লৈহৌবি। মখোয [illegible] চিংনব [illegible]। শ্যামোনা হান্নগী মাযকৈদা হন্দোক্লগা চাংখোঙ যৌনবা চৎকে খন্না মমাং লৈথোন[illegible]দা খোঙ্জেল অমা তাখি। কবিনো, কোযবৈ লৈদুনা যেংলুই। কবিনো মযেক [illegible] উবাদ [illegible] অদুব ইবাপ লাপতনা নাপী মবক্তগী শুক শুক নৈবকপগুম্বা অমদি উখি। মুন্না যেংশিল্লগা নাপী মতোলশিংদু কন্না ফব ফব হাযবা হৌনকলে। ভ্রাইহাক মা[illegible] [illegible]পতমখে যেংদুনা লেবে। নাপী লেঙলিবদু কবিনো হাযবা খঙদ[illegible]সু নাপী ম[illegible] হাযনিবদুদি মঙোনলোমদা অসুম অসুম নকশিল্লকপা উই। শ্যামোনা থৌনাফবা অত্তা [illegible]ইবদগী পাখংতবনি। মহাক্তি খঙনীংবা অমগা লোযননা চপ [illegible] [illegible] মুন্না যেংদুনা লৈলে। মতোমতা খল্লি।

নোংলৈ নুংশিং [illegible]বদুনা নত্রেগা কবিগুম্বা শঙাইনা ফুমদিদা পৃৎথদুনা লেবব্রা?

মঙোনলোমদা নকশিল্লক্ৰবনিনা খঙলব্রে নোংলৈ নুংশিং অমতা নত্তে, মুশুক মুবা শা অমনি। "কবি শানো"? [illegible] শাদ্রবসু শাদুনা মঙোনলোমদা চঙশিলকপদি লেপত্রে। "কৈবুলদা লমওকসু লৈ হাযকো"। ওসাইরাই নাবক্তা লমওক মকোননি হাযবা মা উনকপদু নীংশিল্লকখি। "মসি লমওক ওইতাবে। যামনসু শাথি হাযনৈ"। খন্না খন্না অকিবা ফাওবকই। খঙহৌদনা কৌবকই

— ইমা।

শ্যামোগী খাম্বা নংহৌদবা পৃক্লীং ইহৌ খোম্থোকনি। খোঙচৎশিদা মপা-মমা অনীমক লোযনবি। মচানা অবাবা খুদোংথীবা তারবদি হেন্না মায়বোং য়াগদৌবিবা,

পাম্বোম তিংলগদৌরিবদি অপোকপনি। লমওক্কী অকিবা শক্তম উবকপদদি মপাগী মহুৎতা "ইমা" অণ্ডকপনি তাইবং মযা, অপোকপী মাগী খোমলাংগী মতীক-মওন। শামোদু অশোঙবা নাবক্তা অমুক চেনশিনখ্রে।

লমওক্তু তশেংনা মাবু তান্নগে খন্না চঙশিনলক্লিব্রা, ফুমদা পুৎথকবগী কাখৎফম নুংঙাইবা থিরকলিব্রা, মহাক্কা নাবক্তা চেল্লিঙৈদসু মতুং ইন্নবকখিব্রা শ্যামোনা অশেঙবা অমতা খঙলক্কে। অদুবু মহাক্কা মচননুপী কৌবগা নাপী মনক্তা শুক শুক নৈবকপা, মঙোনলোমদা অসুম অসুম নকশিলকপা, মুশুক মুবা শা অমা উনকপা পুন্নমকসিবুদি মযেকশেংনা উবর্কাখি। চেন্না চেন্না লাকপনা মতা চাকবমালে মহাক বুবো, বোমীনা লেপলিবদুগী মনাক্তা ফাওদোকলুরে। মাবু উবগা বোমীনা

- দাদাসু লাকলে।

শ্যামোনা নিংশা থবেৎ থবেৎ অদুগা মতেক মতেক ওইবা বাহেনা

বোমী, ঐ ঐ ঐদি লম লমওক খেং খেংনবকইদো।

--- অস কযাম চাওই।

-- খঙ খঙদে মুশুক মুই

-- তান্নবকপ্রা"

— খঙদে, ঐদি অদুম চেল্লক্কে।

অঙাং অনীগী কিনা ফনবা বুবোনা

লমওকনা ঐখোযবু হাৎকে, ভুপাকে হাযনা খক তান্নবকলোইদা।

অশোঙবা নাবক্ত। লৌবিঙৈদা লোং নু শিং মায়োকনবগী খুদোংথীবদি লৈংঙ্গে শামোগাসু খোংনবানিনা, বুবোদু খব বাই শরোল অদুগ অবাবা অমমুক মায়োকনগদবাদ লৈনি। মখোযনা চাংখোঙ যৌনা চৎকদৌরিবসি অপাবা ফুমধক্তনি, তবাই হৈবাইনা তেঙা চৎপা যাবোই। অসাইমখোন খুনা চংপদা অবাংবা নাপানা খবৌ চেল্লশ্বা অদুগা হৈরিক্কা লোচুফম খাঙক্তং শোযখিবদা ফুমদিদা পুৎথাগদৌরিনি

সাগব অমসু বুবোদা হাইলেং পানা ফুমদিফাও পুৎথদনা চৎবগী মনম খঙই। মখোযনবু পান্নবদি খুদোংথীবা ইথোব থাক্তনা চাংযৌনবা চৎপা ঙমগনি। অদুবু লাকমিন্নবিবশিংদু মখোযগী লেমাজিঙ মথাদনি। অনাবা, খুদোংথাবিবা মতমতদা মীওইবগী অশেংবা মনপ মশক খঙলকই। শঙাই ফাওবা লেমিন্নবশ্বা মকুপ-মপাঙদু ঙাই ঙাইদুনা চেনমিল্লে।

নুংশাংতে পুবা লেপন্নবসু লোংদি খিংলি খিংলি চাব বুবোনা খুগ্রি তুংলোমদা যেপশিল্লগা বোমী, শামোগী খুৎ নামা-নামা পাযবগা চৎপা হৌবকই। ফুমথক্তা চৎপা হৈবা বুবোসু অঙা অনা যান্থখিদুনা খোঙকাপ শোযবকই পুৎথগে পুৎথগে

তৌরকই। "ইরোইবা হৈবগা হৈতবগা পুন্না ইরাকমিন্নে" হায়নবদু বুবোদা চপচানা থোক্লরে। মহাক্তি ফুমগা তাম্থা খঙবনিনা মখোং শৎ-শৎ থাংগৎলি অদুগা অসিগুম্বা ইথক ইপোমসি মুন্না খঙদ্রিবা অঙাং অনিদদি অৱাবা ওইরে। খঙহৌদনা রোমীগা ওইথংবা মখোঙ পুৎথখ্রে। পুৎথখ্রবা মখোঙ শকৎকে খন্না য়েৎলোমদা শাফু খরা পীরুবদা য়েৎথংবা খোঙসু পুৎথখ্রে। উপায়সু লৈত্রে। মখোঙ অনীনা ফুমদি মনুংদা অদুগা মশানা ফুমথক্তা ফমদুনা লৈরে। বুবো, শ্যামোনা মখুৎনামা-নামা পায়রগা চিংখৎকে হোৎনৈ। অৱাবনি ফুমথক্তা ফিরেপ চুম্না লেপ্পা হৈত্রিবা শ্যামোগী মখোঙ অনীমকসু পুৎথখ্রে। বুবো তৌফম খঙদ্রে, অৱাবা অমা কনগে হোৎনরুবদা অনী শুজিল্লক্লে। করম তৌনি? নোংসু পুরা লেপত্রি। নোংনা চোৎলবা বুবোগী হকচাংদা হুমাং লৈরিক কারক্লে।

— অঙাংশা করিমত্তা নুংশা থীরুনু। ঐনা ফনবা শীনগনি। খুদোংথীবা থোক্তনা নখোয়নিবু চিংখৎকনি।

ঙাঙনা ঙাঙনা বুবোনা অনকপদগী তৌ, শিংজা য়ানবা হৌরকই। অঙাং অনীসু য়ারবদি মখোঙ চিংখৎকে কন্না হোৎনরি। ফুম মথক্তা পুবা ফমজিল্লগা মখোঙ নামদি লাযনা শকৎপা ঙম্মী অদুবু অমদুমুক শকৎকে হোৎবকপদদি হান্নগুম্না অমুক হেক্তা পুৎথৈ। মদু থোক্তনবা শুরু শুরু নৈনবদা হামোক মুক মুরবা ফুমদিগী লৈপাক্লা মশা পুম্বা পুমৈ তেতে। ফুমথক্তা চৎথোক্তনা লৈরবনিনা তীন-কাঙনসু হবাওজরে। চবুনা চবুন ওর্মশিল্লক্লে। কাঙগা কাকফেগা লৈফম, চীকফম মুন্নরকলে। লৈখোম তৈববা মখুৎনা তীন-কাঙ তানবা হোৎনবদা মমায, মমীৎ, কোক পুন্নমক লৈখোমগী লৈখোম ঙাক্তা। লৈওলকোমদগী কারকপা ইরোইদু ঙাযরে। শ্যামোনা মচনগী লৈখোম-লৈনাঙ তৈবনা শকফমদু উই অদুগা মচন্না মবুংগী উই। মশা মশাগী ফিভমদি উনদে, খঙনদে। মখোয়নি ওনশিন্নরগা, যেংনরগসু নোকনৈ।

বুবোনা খুৎলৈ থুনা নাপী হাইদৎলকপা অদুনা মবক্তা লোৎলগা নোং-নুংশিৎ থুপলম্না লমওক অমগীদি অকাযবা ওইকরে। মহাকপু তাল্লকপনি খল্লুরমাল্লে "ভুৎ ভুৎ" হায়না পাখৎনা চেঙ্গোরক্লে। মতা চাকুবদগী মহাক্কী মায়ওনসু অঙাং অনীগী মাযকৈদা তারুবে। মদু হেক উরকপদা বুবোদো পাখৎপনা লুতোন শাৎখ্রে। মহাক্না য়াল্লম্বা শীংজা খুদাপ অমা ওইনা পায়রগা য়েৎথংবা খুৎনা খুগ্রি হাইগৎতুনা অঙাং অনীগী মনাক য়ৌনবা হোৎচিল্লক্লে। রোমী, শ্যামোসু মখোয়রোম তন্না লমওক'মা চেশিল্লকপদু উই।

— দাদা! রোমীনা লৈখোম তৈরবা মখুৎ অনীদু লামলকই।

শ্যামোদি লমওক্কী অকিবা শকফমদি হান্নসু উখ্রবনি। মহাক্না মীপাইরবী মচলগী

মখুৎ পায়রগা মঙোনলোমদা খংচিং চিংশিল্লি। খোঙমখৈদি ফুমদা পুৎথদুনা লৈখ্রবনিনা হকচাংনা লৈখোম মরক্তা উপ্রাক্লা তুশিন্নৈ। লমওক্তুদি মখোয় মনাক্তা অতম্ননাচেল্লকপা নতবনিনা মফমদু অদুমক হেন্দোখ্রে। বুবোদো খর নে তাজরে। শ্বর শাংনা হোন্দোকচরে।

বুবোনা হান্না য়াল্লম্বা শীংজাদু অমুক খোমজিল্লুরে। অনকপদগী ফুমদি মচেৎ অমসু ককলগা অঙাং অনীগী মনাক্তা চিংশিল্লে। শীংজাশিং মপুন-মপুন পুনশিল্লগা ফুমদিদুগী মথক্তা থাজিল্লে। মথক কাদুনা লেপ্লদা নোমজবদা মঙায়রে পুদি পুৎথদ্রে। মখুৎ পায়রগা অঙাং অনীদু অমমম চিংখৎপিরে, অহানবদা রোমী অদুগা শ্যামো। ফুমদিদা পুৎথরুবগী লৈখোম লৈনাং তৈরবা শকফমদু য়েংনরগা মখোযনি পংনোক্তা নোকনৈ। বুবোসু মখোয়নিগী মতৌদা নোকপদা য়াওরক্লে।

বুবোনা কোয়চেল-চেন্না হোৎনরিবদু চীংখোং য়ৌখ্রবা সাগর, গোপাল অমদি সুশিলাসু উই। করিগীনো হায়বা মরমদি কনামতা খঙনদে, লমওক চেঙ্গোকখিবসু মখোয়দি কনামতা উনহৌদে। মদুমক উরমলগদি সুশিলাদি পাখৎতুনা বাঙ্গরম্বাফাও য়াই।

বুবো, রোমী, শ্যামো মখোয় অহুমমক নৌনা শেম্বা ফুমদিগী ফম্বাকথক্তা কাখৎলে। বুবোনা

— অঙাংশা খুদোংথীবা অমুক হন্না খোক্তনবা খর চেক্শনসি। ফুমদিদা পুৎথদুনা ৱাগদবগী শরুক নোং খর চোৎচরসনু। ইবুংঙো শ্যামো, নঙনা মাঙদা চৎলো, ঐ নচলবু পোবিরগে।

রোমীনা শ্যামোবু মবুংনি হায়বদা চাউথোকচৈ; মতম পুম্বদা মঙোন্দা খকশি খাশি, বেভার কার্যনিংদে। অদুবু কৈবুল লমজাউগী অঙকপা সংসারসিগা শকখঙনবা, মফমসিদা খোঙদামিন্নরকপদি চপমান্নৈ। ফিভমসিদা শ্যামোবুনা মতোমতা চৎলু, মহাকপুনা পোবিগে হায়বশি মহাক য়ানিংদে, মহাক শাউনিংই।

— ঐগী খুৎকা অমতা পায়বীরক্কনু। ইতোম চৎচৗনি। রোমীগী শাওরংনবা বাঙাঙদা বুবোদি শাওনিংদে। থৌনাফবী নুপীমচা অমগী মতৌকনি খন্না অহোইনদুম থাগৎলি।

রোমীনা য়াদ্রবনিনা মতোম-মতোম চৎনরে। মচিন-মৌপ্পানা মাঙদা চৎলগা বুবোনা শেন্নবা ওইনা তুংদা ইন্নরে। খোঙ খর পুৎথবা অদুগা মরক-মরক্তা ভুশিনবা নত্তনা শাথিবা খুদোংথীবদি অমুক থোক্ত্রে।

চীংখোঙ য়ৌরে। হান্না থুংলম্বা কাংবুগা উন্নরে। সুশিলানা ইচাশিং য়ৌরকদেনা? ৱাদ্রা?

রোমীনা

— অঙকপা থৌদোক্নি।

শ্যামোসু

— কাউবা ঙমলরোইদবা খোঙচৎনি।

মচাশিংগী ব্রাহৈদা মমা-মপা অনীনা নোকফেৎ - নোকফেৎ যেংনরগা খোঞ্জেলদি থোক্তবা থমোয়দা ব্রারীদি শানখি।

শঙাই উনবগীদমক্তা চীংমৈ, তোয়াবোমদা অমুক চৎকদৌরিবনি। পাবোৎলোমদগী হিদা চৎলবসু য়াইদি হাযববু শোরোক্তা খব কোইথোকনা হকচাং কংনা চৎপনা ফরনি খন্নরে। অদুনা নোং থিৎলি-থিৎলি চুববসু শাগ্রম চেক পোস্ত ফাওবদি যৌবশি, মফমদুদা অকংবা ফি হোংদোকনকবশি হাযনা হিথক্তা কাখৎনরে। বুবোনা চৈঙাক পায়বগা কন্না ইল্লকলে। মচুম তাবমখৈ কল্লবা শামু ওইববসু মউৎকী কাতি মবোলবু কবম্না হাক্তোক্কনি। অঙম্বা চীংমাযদা উ চিংউ চাংবা, সবকসওা জগোয শাউ শাবনা শামু মাগী মথৌনি। বুবোগী নোগী চক্রিসু অদুমঙাই। মীসু তোংলিবা হিজাউদু লেংঙম শাঙমদনা শাগ্রম মাযকৈ পাংলকক্রে।

হিদা তোংমিন্নবিবশিংদু বাকা ঙাঙনদে, তুমিন তুমিন লৈনৈ। বোমীদি তুমিন্না ঙাইহাক্তা লৈবা হেনদে। মহাক্না

— দাদা, অশাইগী লমঙক্তো।

লমঙক পল্লকপদা সুশিলা শ্বাই লাওই

— নখোযবু লমঙক থেংনবকপ্রা।

শ্যামোনা ইংনা, তপনা

— ইচলদি অমুক্তনি, ঐদি অনৌবক।

— ইমাইপেম্মা, ইমাইপেম্মা।

সুশিলানা থবাক যৈ। অসাইবাই শ্যামোনা নাবক্তগী থোবকপা উখিদবা, বুবোনা খুগ্রি পাযবগা চেনখিবা, পুন্নমক্তুগী অর্থ হৌজিঙা গোপাল অমসুং সুশিলানা খঙলকলি।

মাপলশুবা

লাংগোয়চনশিল্লকুবদা

শাগ্রম য়ৌরে। মহে মহে ফি অকঙবা হোংদোকনবে। মৈ হৌগৎতুনা তীকনবসু যাওরি। খবনা চা অশাবা থকনসি হায়দুনা শীন-লাঙবা হোৎর্নবি। সুশিলানা খোকমা বিসকিত, কপ. প্লেতনচিংবা পুথোবকই। হৈ মহী লৌক্লি অমসু যাওবকই। নো, মবঙা ইঙনা লৈনকবনিনা হৈ মহীবুদি কনানসু পামনদ্রে।

— ঐগীদি চা ঐগীসু চা। চা থকনীংবা ঙাক্তা ঙাযবে।

চা থক্লা থক্লা সুশিলানা

— ইচা অনীবু খবা বাদ্রা? ইমাদি ওস্থোক্লা বারে। মখা অমুক চৎপগা যাওবরোই। গাবী মনুংদা লৈহৌবগে।

সুশিলাগী বা তাবগা সাগবনা

- ইতেমা হন্দক্তি বাবরোই। আইৈবী ফাওবা গাবীনা চৎলগা মফমদুদগী শঙাই য়েংবা যাবনি.

-- ফুম মথক্তা অমুক চৎলবোইদবা?

— উম।

-- অদুদি ফৈনে।

সুশিলাগী অবাবা খব কাউখিনগুম তৌই।

— ঐখোয় ইমাসি ওস্থোক্লা পাঙখিদ্রে। অসুক অহল ওইবগা।

রোমীগী লক্লরকপা ব্রাহৈদা ময়াম নোকমিন্নে। মহাকসু নোকই। নোক্লা নোক্লা

-- ফুমদি মথক্তা নোম্না-নোম্না চৎপদো অস, ঐদি হৌজিক অমুক চৎলুসি হাযবসু যাই। কযাম নুংঙাই?

শ্যামোনা মচনবু লক্লবকই

— অমুক চৎলগা ফুমদিদা পুৎথকগেবা?

— পুৎথবিরোই কৈশু। রোমীনা শাউরংননা খুমলকই।

— অস! নহাক্না পুৎথবা উরগা কয়াম পাখৎনৈ।

— নখোয় কনানা পাখৎপিয়ুগে?

— পাখৎতদি নঙদি ফুম মথক্তা ইরোইদৌনা লৈওল্লে।

রোমীদু শাউনীংলমালে। খোন কন্না

— দাদাদি পুৎথদ্রা? হা ঐ ইতোমতরা পুৎথরিবা?

— ঐবুদি নহাক চিংখৎপদা পুৎথবনি।

—- নখোয়বু চিংখৎপিয়ু হায়ব্রা। ৱাশি হায়রগা রোমীদু মচীন পৈথোক্তুনা লৈ। মাগী মতৌদা হেন্না লকননীংলদুনা শ্যামোনা

— চিংখৎত্রবদি কৈবুল লমজাউদা লমওক ওন্দুনা লৈহৌরগেবা? ময়াম নোকমিন্নৈ। রোমীদি নোকপদা য়াওদে। মহাক খঙহৌদনা লমওক্না ফুমদি মথক্তা লৈহৌবা ফিভমদু নীংশিংলকই। তুমীৎ-কাঙ মরক্তা মহাকসু "লমওক ওন্দুনা লৈরগেরা" হাযদুনা মবুংনা পনখিবা ৱাহৈদু তাবদা নুংঙাইতে। শাউনিংই। মবুংদা ওনশিন্দুনা

— নহাক হেক লৈরো।

শ্যামোদি কৈবুল লমজাউগী মবমদা ইনবা মচাক মতীক চানা ফংলে। ফুমদিগী ফিভম, নাপী মখল . । রোমীগীদি ৱাৎলি। মহাক্না য়েক্কদবা শঙাই ফজনা উদ্রি। মহাক্না

— শঙাইসিবু ফুমদি মথক্তা চৎপদা খক পুৎথদ্রা।

শ্যামোদু অমুকসু লকননীংলক্লে। নোক্না নোক্না

— নঙনা পুৎথবা অদুগুম্না?

— হো, অমুকসু হাযবক্লে।

রোমীনা শাউবা উবদা নোকনীংবা খাঙনৈ। সাগরসু নোকফেৎ তৌরগা ইচা বোমী, শঙাইদি ফুমথক্তা লৈবা হৈনরবনি। মফমসি মখোযগী ময়ুম ওইদুনা লৈববনি।

— অদুদি শঙাইনা লৈবদা নুংঙাইবা মফমদি ওইরেদনা?

— হোয়, মফমসিগী মরাঙকায়না ফংলিবা শজিক, লৈফম মকমথুপফম নাপী, শারাক তম্বীগদবা শাহীং চাবা শা-কৈ লৈতবা, পুম্নমকসি য়েংলগদি লমদমসি শঙাইগীদমক্তদি অৱাৎ-অপা লৈতবা, হরাও-তয়ামগী তুংনফম ওইরগদবনি। অদুবু ওইহন্দ্রে।

— করিগী। কনানা ওইহন্দ্রিবা কাকা?

সাগরনা অইঙবা চাদু অমুক চুপলগা শ্বর শাংনা হোল্লি।

— মীওইবনা। ঐখোয়গী করামচাওবা মিৎয়েং অমসুং থবক্না। অঙাংশা,

মীওইবগী মশিংনা ঈশিং ইচাওগুম হেনগৎলক্লিবা অসিগী ইনোৎতা মালেমগী উমং-রামং,শা-উচেক, মহৌশাগী নিতি-নিয়ম পুম্নমক অসুম অসুম ইরাকনরক্লে। "মীওইবা অমসুং লমলক্কী শা-উচেক" হায়বসি মফম খুদিংমক্কী রাফম ওইরক্লে। " মীওইবনা মরূনি, ঐখোয হিংদবা য়াদে, পাকচাউরবা মালেমগী পোৎথোকপু ঐখোয়না নীংতম্না শীজিন্নগদবনি" খন্নরে। মীওইবগী কাহেনবা থবক-থৌবম কয়ানা পাম্বী-শা-উচেক কয়ামকুম মাঙহনখ্রে, মখোয়গী কাঙখুল মুৎহনখ্রে অদুগা কয়ামনা মমী ইশাম শাম্না থরায়পানবগী তাইবংপানসিদা থরায় হামচৎননা হিংলি। মখোয়দুগী মনুংদা ঐখোয়গী শঙাইসু অমনি।

বোমীনা

— কাকা, হৌজিক্তি শঙাইবু য়াম্না চেকশিল্লবা নত্র ?

— হোয়, অদুবু মশাগী মথরায়তবু মমল লৈহনবা, অপীকপা জাবশিংগী থরাইবুদি থরাই ওইনা খন্দবা কাঙবু খবর্নদি শঙাই ফাগদবগী/হাৎকদবগী লুমদুনা লৈরি।

সাগবগী বা তাবগা সুশিলাদু শাউনিংলকই । পার্ক মনুংদা চঙলুববনিনা মফমদুদা শঙাইনা লেবমগদবা পুন্সি মরেলদু মহাকস্ হোদ্রোং হোনা উবে। অদুনা ইসদা শকখঙনবা ওইবগসু শঙাই নুংশিবগী ইথক-ইপোম্না সুশিলাগী থমোযদা ইহৌবকই। করিগীসু ইহৌবোই মহাক নুপীনি, মমাসু ওইরবীনি। মহাক্না

— অশোঙবা নারক্কী তীমফা-কাকফৈ, মরক্তা রানা হিংজবিবা শঙাইবু তাখি-তাওইবিবিবা মখোযদু মীনুংশি খঙদবা, হিংচা-যাইতম্বা ঙাক ওইবমগনি।

শ্যামোনা

— কাকা, শঙাই হাৎপসিবু ফাবগা দন্দি পীবা য়াদ্রা। থাযনগী নিংথৌনাদ মখুৎফাও ককথৎলি হায়বদাই ?

— শঙাই হাৎপগীসু দন্দি পীনবা অকনবা আইন লৈ। লুরির্বাদ মখোয়বু ফার্বনি। কৈবুলদগী শা হাৎলবদি দন্দি ফংগনি হাযবা মখোযসু খঙই। অদুনা ফৎতবা লৌশিংদা অফবা খুৎশু-খুলাই শিজিন্নদুনা অচেংবা তানজা যেংলগা শাতাল্লি। ইচাশা, হৌজিক কৈবুলদগী শা অমা মাঙহনখিবা হায়বসি অবাযবদি ওইদ্রে, অদুবু লুবিবদি, হকথেংননা শাদানবা নত্তনা তুমিন-তুমিন পাক্কী পোৎথোক লৌথোকলিবা অসিনা শঙাইবু অকি-মিপাইবা পোকহল্লি, মখোয়না শঙাইগী লৈফম শোকহল্লি। ফুমদি শোকচিল্লকপসি শঙাইনা হিংনবগী মায়োক্লরুবদা খ্বাইদগী লুরবা লানফম ওইবি।

রোমীনা ইঙক-ঙকনা

— করম্না ওইরিবা কাকা ?

— শঙাইনা লৈরিবসি ফুমদি মথক্তনি। মসিগী মথক্তা হৌবা শজিক চাদুনা, অরাংবা নাপীগী মরুম থুপলগা নোংজু-নুংশা খাঙলিবনি, অহাং য়াবেকলিবনি। অসিগুম্বা ফুমদিগী ফিভম ফৎলক্তবা হায়ববু 'লৈর লৈরক্তবা' হাযবা নত্রনে?

বোমীনা থবাই নুংঙাইতনা

— ফুমদি লৈত্রবদি ঈশিং ঙাক্তা ঙায়বনিকো? শঙাইদি কমদৌনি?

সাগবনা বারী মখা লিথরকই

— ইচাশা নখোয মনিপুরগী নীংখা তম্বগী অরোইবা লানফম বৃতিশকা শোক্লখি হাযবা নখোয় তারবা নত্রা?

— উম, ঐখোয় লাইবিক্তা খোংজোম লানগী বারী যাওই।

শ্যামোনা

— ঐখোযগী পবাদসু তম্মীনা। লানফমদা পাওনা শিখি, অদুগা কোইবেং, থাঙ্গালবুনা ফার্বসি তৌখি হায।

— মানি, 'থৌন' ফববা ঐখোযগী ইপা ইপুশিংনা ইবৈবাক্তদমক্ত' থবাযনা পোম্বা পীখিবা অকবা লানফমনি। মাযকৈ কয়াদগী চঙশিল্লকখিবা মশীং লাকচমদ্রবা বৃতিশ লাম্মীবু ঐখোয়গী মী খুজোকমুক্তনা মাযযোকনবা ঙম্মখিদে। মদুনি, ঙসি শঙাইনা কৈবুলদা মাযযোক্লবিবা লানফমসু। খেন্নবিবা হাযববু অমনা নীংতম্বা ঙাক্লবা অমনা হিংনবা। মফমসিদা, হৌবকফম লাকফম তিন্নদবা য়েক্লবা মখল কযানা শঙাইগী পুন্সিবু লেপতনা শীংনবকলি। মখোয়দুগী মবক্তা লোক্তাক প্রোজেক্তা অথোইবমা ওইবক্লি।

— এ! কবম্লা?

অঙাং অনীগী ইঙক ঙকপা মতৌদা সাগবনা

— প্রোজেক অসিগী মকওইবা পান্দমদি পাৎকী ঈশিংবু ইথৈ লৌখোং শেমদুনা অবাপ্পা লবুকশিংদা যৌহল্লগা লমদমসিদা মতম মলোংগী চাখোক হেনগৎহনবা অদুগা ঈশিংদগী বিজলি লৌবনি। পান্দমশিংশি ফংনবগীদমক্তা লোক্তাকী ইমাযসি চহী চুম্বা চাং অমদা থম্বা তাই।

রোমীনা

— ও, ও। নহালবাই লোক্তাক কংলে হায়দুনা মৈ লাকখিদবদো। মদু ঈশিং চিংথোকমনখিদুনা ওইর্বিনিনে?

— মানি। নোংচুদবা মতম ওইবনা লোক্তাক্তা ঈশিং চেনশিল্লকপা তুরেলশিং কংখিবা, অমরোমদনা পাৎকী ঈশিংদি অরেপ্পা লৈতনা চিংথোকখিবা। অসিগুম্বা ঈশিং কংবসি থোক্তনবগীদমক্তা মনিপুব তুবেলদা দাম অমা শাবি।

— ঈথায় দাম হায়নবদো?

— উম। দাম অসি থিংজিল্লগা তুরেলগী ঈশিং মৌখৎহন্দুনা লোক্তাক্কী ইমায় বাংখৎহল্লি। নোংজুথাদদি দাম থিংদ্রবসু ঈশিংগী ইমায় অদুম ৱাংই।

— মদুনা শঙাইগী য়েক্লবা করম্না ওইরবনিবা?

— কৈবুল লমজাউসি লোক্তাক্কী শরুকনি হাযন' খঙলবদুনি। মতমচুপ্পদা পাৎকী ঈশিং চাউনা লৈহনখিবনা পাৎপান অদুগা কৈবুলগী লৈতাবা ফুমদি অযাম্বা ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। মসিদগী ঈশিং মনুংদা মতোন-মনৌ চোংবা ঙমদনা নাপী কয়ামা মাংশিল্লক্রে। অদুগা মহৌশাদি ঈশিং মথক্তা তাউবা ফুমদি ওইরসু ইকংথাদা অমুক অমুক লৈতারকই। মতমসিদা লৈখাগী লৈপাক্কা শম্নদুনা লৈহাও চুপখৎলি অদুগা মথক্তা হৌবা নাপীশিং হোম-হোম চাউহল্লি। অসুম্না চহী খুদিংগী ফুমদি থাবা হেনগৎলম্মী। হৌজিক্কা মাসগী ওন্ন-তৈনবনি।

-- করম্না?

— হৌজিক কৈবুলগী ফুমদি অযাম্বা চহীচুপ্পা তাওদুনা লৈবে। ফুমদিগী মখাথাবা শরুক ঈশিংনা চামদুনাঙাক লৈখিবনা চহী খুদিংগী থাগৎপগী মহুৎতা অসুম অসুম পাথহল্লকপগুম তৌরে।

— অদুদি শঙাই পুৎথরোইদ্রা?

— ঐখোয বোমীনা খোঙ পুৎখবগুম?

শ্যামোগী লকনবকপা বাহৈদা বোমীনা শাওবংননা

— অমুক হাযবক্রে।

ময়াম নোকমিন্নৈ।

— প্রোজেকশিনা অসুম কুইশিল্লক্রবদি ফুমদি পুম্নমক পাথবক্তুন' শঙাই লৈবা যাবকলোইকো?

— মদুমক ওইবকপা যাবিবনি।

— অস।

-- অদুগা য়েংঙোই, মীওইবগী খুজিল-থৌবাং কযাগা য়েক্লবা ওইবতা নত্তনা শঙাইগী পাবি পুবিদগী লোযনবকপা হী যাই-শাক্তসু শোন্থবকপগুম তৌবে।

অঙাং অনী ভাব তাদ্রমালে ।ইঙক-ঙকনা যেংনদুনা লৈ। মদু খঙলদুনা সাগবনা

— অসাইমখৈ ঐখোযনা ঙাঙনবিবশিনা শঙাই অমসুং মাগী ইনভাইরনমেন্তা অহোংবা কয়ানা থোকহল্লিবা চৈনা, চৈথেং, চৈফৃ অদুবুনি। হন্দক্কীশিনা ধাবা-নালাগী ৱাফমনি। জেনেতিক্সকি বাবোলনি, ইনব্রিদ ফেক্তব হায়নৈ।

খবা লুবা মতাও ওইবনা বেমীদি তুমিন্না লৈখ্রে ।শ্যামোনা

— জেনেতিক্স .....? ইনব্রিদ .....?

— ইচাসিংগী লাইরিক্তা 'জীন' হায়বদু থেংনদ্রিব্রা?

শ্যামোনা নীংশিংলকই

— সেলগী মনুংদা নিয়ুক্লিয়স, মদুদগী ক্রোমোজম, ক্রোমোজমদা মকুপ-মকুপ, পরেং-পরেং . ..... । ও, খঙলে কাকা।

— জীনশি পিকমন্দুনা মীৎনা উবা ফংদ্রগসু মখোয়গী শক্তিদি অঙকপনি। থব্রায় পানবশিংনা মাগী মাগী মপা-মমা, মপু-মবেনশিংগী মওং লমচৎনচিংবা লৌনরিবশি জীনগী শক্তিননি।

— কাকা, শঙাইদা জীনগী পাঙ্গল-শক্তি শোম্বরক্লে হায়রিব্রা?

— মদুমক চুম্লব্রা হায়বনি।

— অদুবু করম্না ওইরক্লিবনো?

সাগরনা অৱাবগী স্বর শাংনা হোল্লগা

— অহল লমন্না 'শারমচৎ' হায়নবদুনি। মতম অমদা কৈবুলদা লৈরম্বা শঙাই মশীং তরা-কুনমুক্তা ঙায়রুরে। মখোয় খরসিগী মবক্তা মপা-মমা, মচা-মসু খাক্তনা হন্ন-হন্না য়ুম্বান্নরকই। মসিদগী শঙাইগী পা-মক, পী-মরুদা য়াওবা জীনগী শক্তিসু হন্থরকলম্বা য়াই।

অঙাং অনীনা চপ মান্না

— ও!

সাগবনা ৱারী মখা চৎথরকই । শঙাইনা লেপতনা হোংলকলিবা অকোয়বগী ফিভমগা চাশিন-চূশিন্না লৈবা ঙস্বগী পাঙ্গল-থৌনা ৱাৎলকপগুম তৌরে। হকচাংদা খজিক্তং খোবাৎপা, তৎপা থোকখ্রবদি মফমদুদা লাইজৌরক্তুনা অরুবা লায়না ওইরক্তুনা শিবাফাও য়াবকপগী অকিবা লৈরে।

— শঙাইসু এইদস পকলেদনা।

শ্যামোনা খঙহৌদনা হায়দোকখিবা ফাগীনি। অসিগুম্বা মহাক্কী ইথা-থাজদবা ফাগীদা ময়াম নোকনীংলুই। হরাওনা নোকনীংবদি নতে। কপনোকনি। এইদস, কেন্সরনা নারবা মশাদি ফরিবা কনাগুম্বা অমনা মশাগী লায়না-লায়থুং খঙদবদগী হরাও তয়াম্না লৈবগুম; ইনভাইরনমেন্ত, জেনেতিক্সকী ফেক্তর কয়ানা য়েক্নবা ওইদুনা লাংগোয় চনশিল্লক্লে খঙদ বদগী অতাউবা ফুমদিদা চেন-চোংনা শাননরিবী মরায়বক থীরবী শঙাইগী অৱাবা ৱারী তারগা হরাওগদববু কনা লৈরিবগে? মীৎলুদা পিরাং ইহৌনরকপা,অৱাবগী শ্বর শাংনা-শাংনা হোন্নবা নত্তনা। ঙহাকতংদি ৱা অমতা ঙাঙনদে। উল-ৱাইমুক চিকই । অচীকপদু থুগাইরগা রোমীনা

— নহালমখৈ ইমা-বাবানা ঐখোয়বু মফমসিদা অমুক্তা পুবিদে। শঙাই, কৈবুল **লমজ্ঞাউগী** ৱারীসু তাহনবিদে। ওস্থোক্লা ফৎখিদ্রে।

রোমীদি পুকনুংদা ৱা লোৎপা হৈতে। হেক্তা হায়দোরকই। মচাগী ৱারৌবা উরগা মপানা সাগরদা ওক্সিন্দুনা

— ইনাও ইবুংঙো নচানা ৱারৌরিবশি অচুম্বনি। নহালমখৈ অসুক মরুওইখ্রবা ইরমদমসিগী তাঙলবা লন অসিবু ইচাশিংদা খঙহন্দবা হায়বসি মপা-মমা ওইরিবা ঐখোয়গী অশোনবনি। ঙসিগী খোঙচৎ অসিনা অঙাংশিংগী নীংবা থুংজবতা নতনা নতৈমা ইবানিগীসু থৌদাং অমদি কোক্লগনি। নারক-শীংলক্তা লোৎলিবা ঐখোয়গী মমল য়াম্লবা মনি অমগী অশেংবা মশক খঙজরে। ওস্থোকপনি, অসাই ইচাশিংনা ফুমদা পুৎথদুনা ৱানখিবগুম শঙাই মচা কয়াসু ....।

ৱালোইবা ঙমলক্ত্রে। মঙোন্দা তশেংনা শঙাই নুংশিবা, থমোয় শোকপা, নীংঙমলক্তবগী চৈনা অমা ফাওরকই। মীৎলু পিরাং ইহৌরকই ।মপুরোইগী থমোয় শোকপা মতৌনা সুশিলা অমুক্তা হেন্না ৱাহল্লে। মহাক্তা লৈশারিঙৈদা মহৌশাগী নিংথিবা কয়াবু তৎতনা শৈহেক-শৈথাজরম্বীনি। য়ুমপাল্লবা মতুংদা ইমুংগী কুপনোম কয়ানা নমশিনখিদুনা মতম খর ময়োল কংলুরবী মহাক্কী ৱাখলগী লৈয়োল চোংলক্লে, **ইচেল** লেপলুরবী প্রকৃতিবু নুংশিবগী ইফূৎ ফাউরক্লে। মকুম-মথা ওইরক্লবদা তনৌ-তনৌরবী লৈপাকলৈনা লৈরাং লৈশাৎ তমলকপবু শারবা কালেনগী লৈতঙগাইনা থিংবা **মতীকলা**? থমোয় শোক্লবা শঙাইগী ৱারীনা মহাকপুসু কপহল্লে। মহাক্লা

— অঙকপনি মতম মাগী খোঙলৈ, শঙাই নঙগী নরায়বক। য়েলহৌঙৈদগী কঙলৈ ইমাগী তমপাক্তা চাউরক্লবী, শাগৈ-নাতৈ তামহৌরবী, তোমখিন ওইরিবী য়াওরৌও, নহাকসে, শাইয়োল-শক্তম য়াম্লবা, পাম্বোম লিশিং পাল্লবা, মতম মাগী লৌনম লাংদা থুরেদকো। অবা হুইজোং লাংলনি। মতম মাগী পাম্বোম অমনা শাফা লাংগী শক্তম লৌ, নঙগী অরোনবা লম্বী থৎখরে। মাগী পাম্বোম অমনা খুৎশু থাঙলেন ওইদুনা নঙবু শাদুগদবগী থিরক্লি। মাগী পাম্বোম অমনা অমুবা লাইগী শক্তম লৌ, লোক্তাক প্রোজেক শাইওন্দুনা, ময়া লাওনা কাথোরক্লে, নঙবু পূম্না য়োৎকদবগী, থিরক্লে। ও, তান্নরক্লে। কুমগী ঈশিং ইচাওদা, ফুমদি মৈহৌ লাংপোক্তা, লাইবক থীরবী নহাক্কী চঙজফম লৈফম তামহৌরে। মায়কৈ পুম্বা লাংথাকনা, য়েক্লবনা লাংগোয় চনশিল্লক্রবদা, হা য়ারৌও শঙাই, নহাক্লা লোৎকদবা কৈদনো!

তরাশুবা

শঙাইনা ঐখোয়বু ঙাইহৌরি

নুমিদাংৱাই পুং মরিমখায়রোম তারে। ঙহাক্কী মমাঙদা নোংহৌ অমনা কপচেৎপী অতিয়া ওইহনখ্রবসু হৌজিক্তি তশেং তশেংলে। লৈচিল নোংফাই থাংদ্রবা নোংচুপ অতিয়াদা অঙানবনা তরং তরংনা "ঙসিগী ইথৌ লোইরে, নুমিৎচুপ্পা তাইবংকোয়রুম্বগী চোকথরবা হকচাংসি পোৎথারুরগে" খন্না চীংয়াদা পকশিল্লক্লে। মালেমগী কাচিন-কোয়াদা চৎনরিবা লোনচৎ-শাজৎ, থৌদোক-ৱাথোকশিং উরুবদগী খোইশাওনরম্বা অয়াকপা মীৎয়েং পুন্নমক থাদোক্লগা তাইবংবু নুংশি-চানবিনা কোনবিবা হৌরক্লে। নুমিৎকি অশাওবা মীৎয়েং কিবদগী থাংজিং চীংগোন্দা ৱানা লোৎলুরবী খাগী নুংশিৎনা তোববুং লমজাউ খোল্লগা নোমহৌ-নোমহৌ লাক্তুনাকৈবুলগী অশোঙবা নাবক্তা কেকু লোৎপি শান্নররে। ঙশাইমখৈ নারক মোংশোংলক্তা পোৎথারম্বী শঙাইসু নুংশিৎকি কুম্মৈ যেংবা থোরক্লে অদুগা চীংমৈদগী তোয়াচীংফাওবদা লোইরোইননা তামখ্রিবা ফুমথক্তা চেন-চোংনা শান্নবা হৌবক্লে। মতমসিদা সাগরনা রোমী, শ্যামো মখোযগী অহলশিংগা লোয়ননা চীংমৈগী অনৌবা আই,বী তন্না খোঙশাল্লক্লে।

শাগ্রমদগী চীংমৈ য়ৌবফাওসি পঙশাং শাংবা লম্বী নত্রবসু কোয়লাস থাবা মতেক অমা নত্তনা অতৈদি খুল্লক্কী সবক ওইবনা হৱাগারীনা চৎলবসু মতম চঙই। অয়ুক্তা নোংচুখিবনা শনগারী লম্বীগী লৈকুৎ-কোংগুৎশিংদা ঈশিং তুংদুনা লৈ। পাৎ, লবুক্তা নোংমগী চরা তাল্লুবা খুনজাশিংসু লেপতনা চৎলি। ঈশিংতুংবা কোংগুৎতা গারী চাকানা শমলুবদা কাপখৎলকপা ঈশিংনা চোংবদগী শাউনিংলবা কনানা "মী উশিৎতে" হায়না চৈনহৌবসু য়াওই।

রোমী, শ্যামোদি লম্বীদা মীনা কবি ঙাঙনহৌবা, করিমতা তারক্তে। মখোয়নীদি পুন্নমক অনৌবা আশা, অনৌবা লৌশিং-গ্যান তানশিনবগী খোঙচৎ ঙাক্তনি। পুম্নিগী

অহানবা ওইনা ফুমদি মথক্তা নোমহৌ-নোমহৌ চৎখিবা, নোং-নুংশিৎ মরক্তা চেন্নবা, ফুমদিদা পুৎথরুবা বুবোনা মখোয়বু চিংখৎপদা ৱাখিবা, লমওক থেংনরকখিবা, পুন্নমক নিংশিংলুরগা হায়ফম খঙদবা নুংঙাইবগী মঙলান্দা তাউরি। নুংঙাইবগী অনৌবা ইনোৎ অমা কারক্লিবনা শঙাইনা ফুমথক্তা শান্নবগী কুম্মৈসু উরগনি হায়বসিনি। চৎমিন্নরিবশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী হরাওরিবদি রোমীনি। মহাক্না শঙাইগী অশেংবা শক্তম ওজাদা উৎকনি, স্কুলদা মমান্নবীশিংদা কৈবুল লমজাউগী অঙকপা সংসারগী ৱারী তমগনি। পুন্নমকসিগী মথক্তা শঙাইগী চীংলেম্বা শাজৎসু মীৎমক্না উরক্লে হায়না চাউথোকচরুরনি।

মিনিৎ তরামুক্তা চঙবা লম্বীদু মঙোন্দা য়াম্না কুইরবোই খল্লুরে

— কাকা, শঙাই উগদবা মফমদু কয়াম ৱাৎলিবগে?

-- যৌগদৌরে। মাঙদা উরিবশিনি আই, বী হায়্নদু।

চীংমৈগী আই, বী য়ৌরে। ময়াম গারীদগী কুমথনরে। শঙাইগী ফজবা য়েংগে লাকপদা চীংমৈগী দৃশ্যনা গোপাল, সুশিলা অমুকসু ঙাওহল্লে। খুৎচংনা শেমগৎখিবা, হৌজিক্না শারেপ ফারক্লবা উচান পাম্বী পরেং-পরেংলক্তা থাংতুপ পাম্বী মচা-মচানা মরক থৎনা-থৎনা হৌরম্মী। লেপমুক বাংলবা লমদমসিগী উরি-বারীদা অঙৌবা, অঙাংবা, নাপুমচুগী লৈশিংসু মকাফন্না শাৎলম্মী। খুৎহৈবা অমনা খুৎচঙনা শারবা সনাগী লীকলাং পরেংদা মখল-মচু কয়াগী নুঙ হৎনা লৈতেংলবা অদুগা পাংখকনি। মায়য়োকনবা চীংমায অনীদগী অনেম-অবাং মান্ননা লোইরোইননা শমথরক্লিবা উচান পাম্বীশিংনা চীংমায় খুদেংশাবিদুগী নাপ্পোম কারক হাংহন্দনা খুৎশম্নখিদুনা অমতা ওইনা উইহল্লি। নুংশিৎনা হুমলকপা উনাগী ইথক-ইপোমলক্তা শবিৎ শবা হৈবী খোইনিং, উচিনাও খিবিক্না 'ফন-ফা, ফন-ফা' চোংনা-পাইনা শান্নরম্মী। মনাপুংলবা উচানলক্তগী খোঞ্জেল নৌবী লমখুনুনা মপুগী মিংখৈ শোল্লম্মী। খুৎশেমগী উমং ওইরবসু মীওইবগী ইথিনবু চঙদ্রবদি মহৌশাগী নিতি-নিয়মদা হনজিল্লকই হায়বশি চীংমৈ চাংনা ময়েক শেংনা উৎলম্মী।

মহৌশাগী নীংথিবা অদুগা খুৎশেমগী ফজবা অনীমক্কী ইতিনফম ওইরল্লে কৈবুল লমজাউ। চীংথক্তা লোইরোই ঙমলিবা উচানগী উমং, অদুগা চীংখোংদগীনা অনেম্বা, অৱাংবা নাপী মখল শুনা-মরাঙকায়না হৌরবা ফুমদিনা মীৎয়েং তাম্বমখৈ শন্দোকখ্রি। তশেংনমক চীংথক্তগী য়েংথরকপদা কৈবুল লমজাউসি অশংবা নাপীগী সমুদ্রনি। মরক মরক্তা ফুমদিনা কুপ্পা থুংদবা মফমদা ইরং মচা মচা উরিবা অদুনা সমুদ্র ইরোলনুংগী মঙাল পুবী হীরা, মনি-মুক্তানি । শক্তমসিমক্না 'লমদমশিবু লোক্তাক পাৎকী শরুকনি, মখাদা ঈশিংগী ইপাক'মা লোৎতুনা লৈরি' হায়না য়েংবা লাকপা খুদিংদা খোঞ্জেল থোক্তবা লোন্না হেক হেক পাউদমলকই।

নুংথিলগী মতম লোইশিল্লক্রবদা চোইজাইননা চাক্তারম্বা উরোক শঙ্গু-শঙ্গুনা অহীং য়ারেকফম থিরক্তুনা অতিয়া চুমথাং খন্না পাইনরক্লে। উথুম, উরা, উমু, চেকলাওবীগী খোম্থাংসু য়েরক্লে। নিংথীজরবী কৈবুলগী মতীক-মগুনসি হাপতুনা চীংখোঙদগী ইবাপ-লাপতনা তাঙথক নাইবা ফুমদিথক্তা শঙাই লাবা-অমোমনা মচাশিংগী কুম্মৈ য়েংলম্মী। মসিবুনি রোমী, শ্যামোনা য়েংনিংলিবা, খৌবাংনা ঙাইরকলিবা সাগরনা

— রোমী, শ্যামো ঐনা শঙাই উহনগে হায়খিবদো, য়েংউ আদা মখোয খরা লৈবে।

অঙাং অনীনা বাইনোকুলরদা য়েংই। রোমীনা মশীং থী

— অমা অনী, অহুম, মরি, মঙা। মখোয়শি শঙাই ঙাক্তরা কাকা?

— মানি। লাবা অমা, অমোম অনি, অদুগা অনীমনা চহী খবা হেল্লবা মচানি।

— মচী অশাংবা পানবসি লাবনিকো?

— উম। মসিনা মরায় থাংগৎলগা লেপতুনা লৈবিবসি কবিগীনো?

— মসিনা তাকলি। মখোয়না লৈরিবা মফমসিদা হৌজিক্কি ওইনদি খুদোংথীনিংঙাই মবম লৈতে। অসিগুম্বা মফমদা শঙাই লাবনা নুংশিৎ শীৎলকপা মায়কৈদা মায ওনশিল্লগা উইরুম-উইরুম লেপ্পসি হৈনবীনি। অকি অখং মতমদসু অসুন্না লেপ্পী অদুবু মীৎয়েংদি খেন্নৈ। মতমদুদা মখোযগী মীৎয়েং তথক-তথকই। মচা অনীশিদা অমুক যেংউ। চাউবদি হায়ফেৎ মান্নরবসু অমগীদি মকোক্তা হামেংগী মচী মান্না হৌদ্রা। মসিনা লাবনি। মচী হৌদবসিনা অমোমনি।

শঙাই লাবদু মফম লেঙদনা অদুমক লৈ। অমোম অনীদুদি কোয়চৎ চৎতুনা শজিক চাবি অদুগা মচা অনীনা চেন-চোংনা শান্নরি।

শঙাইনা তোঙান-তোঙানবা শকলোন শক্তম উৎলগা শান্নৈ। নুমিৎশিদা রোমী, শ্যামোনা উখিবা, থবায য়াওনা য়েংখিবা মশান্নদি খবতনি। অঙাং অনীনা উখিবা পুন্নমক মশা মশাগী বোইদা হেক হেক ইশিল্লি। রোমীদি লাইয়েকলিবনি হায়দুনা মবক-মরক্তা যেকশিনবসু লেপতে ফুমথক্তা শঙাইনা শান্নবম্বগী মবমদা রোমীগী বোইদা অসুন্না হাঁব?

— শঙাই লাবা অমা, অমোম অনী অদুগা মচা অনী লৈরম্মী। লাবা মচাদুগী তেনপক-তেনবা মচী পাল্লি। ঐখোয়গী স্কুল লমপাক্তা শজিক চাবা হেক-হেক লাকপা হামেং লাবদুগী মচী মাল্লি। অদুগা শঙাই লাবা অচৌবদুগী মচীদি শাংই ইংরাজিগী 'C' ময়েক হায়বদু মান্না কোল্লি। মচাশিংদু য়েংবদা য়াম্না নুংশি। ঐখোয় য়ুমদা থম্বা য়াবা ওইরবদি ঐনা লুনা-চান্না তৌবিনি। নুংতিগী ইরুজবিনি, মতুসু শেংনা নাম্থোকপিগনি।

ঐখোয়না চীংথক্তগী য়েংলকপনি। মখোয়না মখাদা ফুমদি মথক্তা শান্নরম্মী। য়াম্না লাপনদে। মীৎনসু উই। অদুবু বাইনোকুলরদা য়েংবনা ময়েক শেংই। ঐনা লাবা মচাদো 'ইমো' অদুগা অমোম মচাদুনা 'মেমী' হায়না মিং থোল্লবনি।

ইমোনা মোংশোং অমগী মনাক্তা চঙশিল্লি, যাম্না কিন্না, চেকশিনবা মাল্লি। মখোঙ তপনা তপনা থাংই। মোংশোংগী মনাক্তা ঙহাক লেপলগা মুন্না য়েংলগা ঙহাক লৈ। মদুদগী খোঙ ৱাংনা অমুক্তং চোংখৎলগা চেহ্বোরকই। কবিগুম্বা অমা উবকপদগী খংদুনা চেহ্বোরকপা মাল্লি। নাপী মলক্তা মহাক্কা কিবা য়াবা করি লৈবগে হায়দুনা ঐনা য়েংই। দাদানসু বাইনোকুলবদা য়েংই। ঐখোযনিমক কবিমতা উদে। কাকানা হায — 'মহাক্কীশি তৌশিন্নরিবনি। খংশিন্নবিবনি। অসুম্না মখোয়না হেক হেক শান্নে।' মদুদগী ইমোনা মখোঙ মরিমক থাংগৎলগা ফন ফন চোংদুনা অমুক চেল্লি। ফুত তরাদগী হেল্লমগনি। চেনবা লেপলগা মোংশোংলোমদা অমুক লৌশিল্লি। ঙহাক মুন্না য়েংলগা লৈ। পবপ-পবপ অমুক চেনশিল্লি অদুগা থুনা অমুক হন্দোবকই। তুংথংবা মখোঙ অনীমক ফ্রং ফ্রং কাওরগা চোংখৎলি। নুংশিৎতা কাউবিব্রা। অস য়েংবদা ওক্তোক্লা নুংঙাই। নুমিৎচুপ্পা চাক্কা অমতা চাদনা য়েংলবসু পেল্লোই।

ইমোগী শান্নবদা মেমীসু য়াওশিল্লকই। মহাকসু মো শোংগী মনাক্তা তপনা তপনা চঙশিল্লি। যৌগদবা খাজক্তং বাৎলিঙৈদা চপ লেপ্পী। মঙক তিংথোক্তুনা মনম শুং শুৎ নম্মা। ইমোনা চঙশিল্লক্তুনা নাপীদু মচীনা বাইখায। অদুগা অমুক হন্দাক্লগা লেপতুনা লৈ। নাপী তৎপ্রা যেংলিব্রা। মেমীদু ইমোদগী খবা লাপনা চৎথোকখ্রে। মখোয অনী মায মায ওনাশিন্নলগা অমুক লেপ্পী। মুন্না ঙহাক যেংনৈ। মখোযনি চঙশিন্নখ্রে। মকোক মকোক থেংনবগা ইন্নে। বাইনবা মাল্লি। মেমীনা ঙশ্বা মাল্লি। ইমোদু মোংশোংগী অকোয়বদা চেল্লি। মহাক্কী মতুংদা মেমীনা ঙান্নে। অহুম মরিরক কোয়বগা ইমোদু চপ লেপ্পী। মেমীসু লেপ্পী। অদুগা তুং হল্লগা অমুক চেল্লি। ইমোনা অমুক তান্নে। অসুম্না ইমোনা চেল্লগা মেমীনা তান্নবা অদুগা মেমীনা চেল্লগা ইমোনা তান্দুনা শান্নবসি মিনিত তরামঙা মুক শুই। শান্নবা লাবমালে, মবানিমক কুহ্রখ্রে। মখোয়না কুল্লিঙৈদসু ঐদি অদুমক যেংদুনা লৈ।

ঙহাক লৈরগা মেমীদি অমুক হৌগৎলক্লে। শজিক চারিবা মমাগী মনাক্তা চঙশিল্লি। 'ইমাসু শান্নবা য়াওশি' হায়রিব্রা, মরায়বক্লা রাইশিল্লি; মঙক, মশানসু ঙাসিল্লি,থেংজিল্লি। 'নুমিৎ তাখিদৌরে ইমাদি শজিক চাখিগে' হায়বগুম্না মেমীগী মশাদা মমানা লেকপিরকই। ইমোসু হৌগৎলে অদুগা মোংশোংগী মনাক্তা অমুক চঙখ্রে। মেমীনা লাবা অচৌবদুগী মনাক্তা তপনা অমুক চঙশিল্লি। লাবদুনা 'ঐনা হকচিক লাংনা রাখল খল্লিঙৈদা কৈদৌবা চঙলকলিনো' হায়বগী মওংনি, মঙক নোম্থরগা অশাংবা মচীদু ফর-ফর হায়রকই। মেমীদু অদুম চেম্থোরক্লে। ইমোনা লৈরিবা মোংশোংদুগী মনাক্তা অমুক চঙশিল্লি। তানজাদুদা **ইমোদি** অশোংবা নারক্তা চেনশিনখ্রে। মেমীসু ইমোগী মতুং **ইন্নখি।** মবানিগী মতৌসি 'কেকু লোৎপি' শান্নবা মাল্লি।

মচাশিংনা নারক্তা চঙখিবদগী শজিক চাবস্বী মমা **অনীদুসু** 'ইচাশিং রাবমলগনি, মখোয়বু কোনবিরুবগে' হাযবগুম্না **নারক্তা** চঙখ্রে। শঙাই লাবা অচৌবদুখক্তা ঙাইহৌরে। ঙহাক লেপলগা মহাকসু ময়াম চঙনখিবা মায়কৈদা মায়ওনশিনখ্রে। মহাক্লা নারক্তা চঙলমদাইদা মাবু য়েংলি খঙব্রা, ঐখোয়রোমদা মমায় ওনশিল্লকই । মতমসিদা তপনা হুমলকপা নুংশিৎকী ইপোমদা নুংশিরবা খোঞ্জেল অমা লোয়নরকপগুম ঐনা তাখি। খোঞ্জেলদুনা 'নুংশিববী রোমী, শ্যামো' ঙসিগীদি মতমসি থেঙজিল্লক্লে, নখোয়না য়েংনিংলিবা ঐগী শক্তম. ইচাশিংগী কুশ্মে মখা তানা অমুক উইনবা ঙমলরোই। শান্নবদা রারবা ইচাশিংদো অহীং য়াবেকফমদা চঙখ্রে। ইপায চাউবী মমাশিংসু মচাশিং শেন্নবা চৎখরে। ঐহাকসু মখোয়গী মতুং ইনখ্রগে। ঐখোয়বু রারৌনুকো । তুংদা অমুক হল্লকখো, ঐখোয়গী কুশ্মে মপুংফানা য়েংলখো। ঐখোয়না মফমসিদা ঙাইরমগে, নোংমৈসু লাকখোকো। ঙসিগী কায়নরশি, চৎ-লো-কো।

শঙাইলাবদু মশক উখিদ্রে। মহাক্লা চৎখিবগী হাইহম্না খাঙহৌরিবা তৌ, খোইমোমশিংসু নুংশিৎকি ইথক-ইপোম জগোয়দা যাওশিনখ্রে। ওম্থোক্লা নিংঙমহৌদে। নুমিৎ তাখিবশি শাওনিংই ।

মতম ফনা য়াম্না থেঙজিনখ্রে, নুমিৎনা নোংচুপ চীংয়াদা লোৎখিবসু ঙহাক ওইখ্রে। মহাক্কী মতুং কোইন-ইন্নরিবী অমম্বী লাইরেম্বীনা অকিবা শক্তম উৎপা হৌরক্লে। অপুংবা নারক্তগী হারীনোংনাংনা 'থেঙখ্রে থেঙখ্রে' হায়না য়াক্লা য়াক্লা চৈরক্লে। রোমী, শ্যামোদি শঙাইগী কুম্মৈদা লুপলিঙৈদা নুমিৎ তাখিবা, মমশিল্লকপা ফাওবা খঙহৌদ্রে। মপা, মমা অদুগা সাগরসু মখোয়গী অপাম্বদু থুংজরসনু খন্দুনা অপনব'মুক পীরুদে। মমশিল্লক্তুনা শঙাইসু নারক্তা চঙখ্রবনিনা অমুক লৈথরুবদি কান্নদ্রে। গোপালনা

— ইচাশা শঙাইসু অহীং য়ারেকফমদা চঙনখ্রে। ঐখোয়সু য়ুমদা হল্লসিরা?

রোমী, শ্যামোনা মফমদু থাদোকনীংদনা থাদোকপা তারে। গারীদা কাখৎনরে। গোপালনা গারী তপনা তপনা থৌদোরক্লে। চীংমৈগী আই,বী লৈহৌরে। অঙাং অনীনা গারীগী থোঙনাওদগী শঙাইনা চঙখিকবা অশোঙবা নারক তমনা অরোইবা ওইনা য়েংশিল্লুই। অদুবু পুংকক চাউববা উচান পাম্বী অমনা মীৎলম থৎখিদুনা করিমতা উরক্তে। ৱা ঙাঙগনখ্রবা রোমীদু বাকা অমতা ঙাঙখিদ্রে। গারীগী থোঙনাওদা মুন্না য়েংদুনা লৈখ্রে। মহাক্কী নাকোংদা "ঐখোয়না মফমসিদা ঙাইরমগে, নোংমৈসু অমুক লাকখোকো" হায়বা খোঞ্জেলদু হন্ন-হন্না তাদুনা লৈরে।

সাগরদি কৈবুল লমজাউ থাদোকপা য়াদে। মহাক্তি ওফিসতা লৈহৌগদবনি। গোপালনা গারীদু ওফিস তম্না অমুক থৌরক্লে। ওফিস য়ৌরে। মখোয় খুদিংমক গারীদগী কুমথনরে। গোপাল অমসুং সুশিলানা সাগর অদুগা বুবোবু মখোয়না ৱাবীখিবা অদুগী তৌবিমল ওইনা

— লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎসিমদি অচিনবা কথা কাইথোর্কপিদুনা ঐখোয়দা লাকপীয়ু। হাউবা হাউতবা, চারামা চামিন্নসি। তাদা বুবোসু লাকপিয়ু। শোয়বীবক্কনুকো।

সাগরনা কা মনুঙদা পবপ পরপ চঙলুরগা অপাকপা চে মকোল অনী পায়বগা থোরকই। শ্যামোদা মকোল অমা পীরগা

- মসি কৈবুল লমজাউগী লমিৎ-তুমিৎ, নাপী-শিংনা তাকপা মেপনি। ইচানা কৈবুলগী মরমদা ইরকপদা কান্নরবপসু য়াই। থমজিল্লু।

রোমীদা অতোপ্পা চে মকোন্দ অমুক পীরগা

— রোমী নহাক্তী 'শঙাই, শঙাইতা' হায়র্বনিনা শঙাইগী হেনতোসি ওইনা লৌরো।

— থেঙ্ক ইয়ু কাকা।

রোমীনা ফোতো লৌই। হাংদোকলুবদা অসাই মহাক্লা উখিবা শঙাই লাবদুমক মানবা অমনা মঙোন্দা য়েংদুনা লৈবম্মী। রোমী হবাওমনখিদুনা সাগরগী মনাক্তা পরপ-পরপ চেনশিনখি। ফন চোংখৎলগা ঙকশমদা হেক কোল্লুই অদুগা লাইবক্তা চুপ চুপ চুপলুই। ওহোক্লা মঙাওথীখ্রবা অঙাংনি। রোমীনী মতৌদা লৈমিন্নরম্বা খুদিংমক ইপেন পৈন্নে।

সাগরনা

— ইচাশা নখোয়না পামলিবা পঙ্খুংদু লেপনমক থুংবা ওইয়ুকো।

— থেঙ্ক ইয়ু কাকা।

রোমী, শ্যামো অনীমক চপ মান্ননা খুমলকই । গোপালনা অঙাংশিদা

— ইচাশা, নঙ কাকাখোয়সু ব্লারমলগনি। পোৎথাহৌরসনু। ঐখোয়সু য়ুমদা হল্লসি।

সাগরনা গোপাল অদুগা সুশিলাদা ওনশিন্দুনা

— অদুদি তামোচৌ, ইতৈমা ননাওদি সুম লৈজহৌরগে।

সুশিলানা

— অদু ইবুংঙো, হন্দক্কী নোংমাইজিং। কাওবিনুকো।

— ইতৈমা।

গোপালনা

— অদুদি ঐখোয়সু .. ...।

রোমী, শ্যামোনা

— কাকা ঐখোয় হনখ্রগে। বাই বাই।

— হল্লোকো। বাই।

গোপালনা গারী থৌদোকখ্রে। হাংদোক্লম্বা গেদ থিংজিন-খিংজিন্না সাগরনা

— অসুক খাঙবা কনবা, কিগন্দবা, অনীংবা-অপাম্ব'মা থুংদ্রিফাও নিংহন্নবা লৈতনা অবা অনা কাউথোকপা অঙাংদি অতাঙবনি।

কৈথুল লমজাউ তুংওইনহৌরে। গারী মনুংদা রোমীনা তপলপ্পা

— দাদা, অসাই শঙাই লাবদুনা নারক চঙলমদাইদা হায়বম্বদু তাহৌব্রা?

— করি হায়বমলিবা?

— ঐখোয়বু অমুক হল্লকখো হায়রম্মীদুদি। ইমা, বাবা! শঙাইনা ঐখোয়বু ঙাইহৌবি, নোংমৈসু অমুক লাকখিসিকো।

গারী মনুঙগী থাওমৈ মঙালদা গোপাল-সুশিলা য়েংনরগা মোমোন-মোমোন নোকলখি।

